মৈতৈ মাইবা

(হুপী লাইরেং লাইবিক)


শ্রীখেমিমচন্দ্র সহু সিংহ

মৈতৈগী মীবরা লাইযেং

লৈন অমমুং মহু কাবগী মবনদা

ইংথোকচবা—

শ্রীমনী সিংহ



মৈতৈ মাইশা

মৈতৈ লৈপাক্তা মৌহৌরোল্দগী লাইওনবা গুরুশিংনা মল্লং মথং থম্বিরম্লবা খুদম। পাওতাক।

মতু পানবশিংনা চৌকপগী লাইযে পথাপ।

ঔঁ

ঈশ্বরগী খুযা থাদা খুবমজহন

লেংজবা:—

শ্রীখেত্রিময়ুম মনু সিংহ

বোবা বাজার ইম্ফাল।

লীল মাইবা

মমল লুপা ১'৫০

ফোংদোকচবা—

শ্রীক্ষেত্রিময়ুম ওংবী তিক্লোং দেবী

কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাই

ইম্ফাল।

লাইরিক ফংফম

হুগী লাইয়েংশং

কোংবা বাজার, ইম্ফাল।


লাংরিক য়েংনবা চুক্তানশিংদগী ফাংনি

অহানবা হৌদোকপা

১৯৬৪ ইং, কপি ২,০০০

ছাপা তৌফম:— ঘনশ্যাম প্রেস, উরিপোক রোড,

ইম্ফাল (মণিপুর)।



শ্রীক্ষেত্রিমযুমে মনু সিংহ

চহি থুনিংগী অতুংবা সৈতন এজ লেংমী শিল্পী কথাবু লীল অমস্থং মহু কথা পুম্বা চাৎপদগী অপনবা কয়া পিবক্রি। কবিগুম্বা লাইনা অসিনা থেক্লবগা ইশাবু ইশানা ডাকচহৌনবগী মরমদা থুপথবা গুরুশিংনা থুম্বা চেৎনা থম্বিবমন পোৎলমগী হিদাক থবদং এজাগী মতেং ওইহল্লনিংবগা লোইনন পুথোকচবা লাইয়েংগী পথাপনি।

রাংহৌদোক

জাতি ইচিল ইনাও পুন্নমকী মকমদা ননাই ঐনা নোললুকনা খংহন্নবি । মীওইবগী মপোক্ অসি জগৎকী খোংচৎ অমস্নুং পুন্সিগা যেংনরুবদা মীকুপ অমগুম্বনি হায়রুবদা থোইনা লাল্লোই । সংসার অসিদা নীতি মশিং লাকওমদনা মী কয়া পোক্লকই কয়া শিখিরসিগী মনুংদা মহৈ হৈবা হৈতবা পুন্য চেনবা চেন্দবা মশিং লাকওমদনা যাওখ্রিবনি অমস্নুং যাওরিবনি। পুন্নমক অসি মীকুপতা ওাল্লমই মীকুপ্তা মাংখি । মসিদা কনাবু শিংথাহৌগনি কনাবু শিংথারোই হাযবদি থললুবদা মীওইবগী পুন্সি মীকুপ অসিগী মনুংদা জাতিগী কান্নবা থবক্তা থরাই কথোকতুনা চৎখ্রিবা মহাপুরুষশিং অহুত্তবু মীকুপ অমগী পুন্সিদা জাতিগী ফননবা সেবাদা মথরাই কৎলম্বা মীশিং অহুদবু নুমিৎনা থানা পাল্লিবা মথৈ মশা শিথ্রবম্ব মথোয়গী থবক্কি অমব ওইহনা জগৎকী মীবোল পুন্নমক্লা নিংশিংহনতা লৈনবিবনি। মতাং অসিদা তোল্লবা ননাই ঐনা থজবদা নাপীদগী হেন্না তোল্লবা ননাই ঐগী তেনখ্রবা পুন্সি অসিদা জাতিগী সেবাদা পিকখ্রবা মথেল মচা অমদা ইখ্রাই কথোক্লমলগা ইজাতি অমসুং দেশকী সেবাদা মতেং থবদং মচল অমা ওইনা থরাই হকচাং ১সুং পুক্নিং কৎলমলগা চৎখিবা ওমজরবদি ননাই ঐগী তেনখ্রবা মপোক অসি মহৈ য়ানগনি থজহনা ইংশোক ১৩৩৯ দগী হৌনা লীল ১সুং মহু কাবা জীব পুম্বনা মীওইববু অবাবা পিবা অসিদগী থরজনা

ওইববগ্ন কনবা ত্তম্নবা পুকনিং হকচং কথোকতুনা থবক চথজবক্রি।

মরম অসিদগী থম্বজকবদ মীওইবগী পুন্সিদি অবেম্ল নাইনব থয়াদা পকপা ঈশিংগুম্বনি খঙ্গতুনা ইশানা শিরবম্ব লাইরিবক মচা অমা ওইনা ইথোক্লগা থমজরম্ব ত্তমলবদি মীওইব সমাজগী মীরেল কয়াগী সেবাদা মতম শাংনা মতেং ওইহোগত্র হাইনা খঙ্গতুনা মঙ্গ কাবা পুম্বন শোকপদগী মতেং ওইননবা হইতুনা ভক্তিগী ইচিল ইনাওশিংগী চরণদা ননাই ঐগী লাইরিক মচা অসি ঐগী পুন্সিগী খুদোলপোৎ ওইনা কচ্চরি।

থাগৎচবা

ওজা শ্বেত্রি মধুগী 'মৈতৈ মইন হগী লাইয়ে কৌবা লাইবিক মচা অসি মুন্না পাংজাব। হৌজিক হৌখিবা চহি কুথাগী মমাংদগী মহুকনবা ভাষা অমসুং লাইনা কনবা মী বয়া কয়াগী মথৎ লাইবু ইলাংট লাইনা কনবিককপা অমসুং হৌজিকসু কনবিত্রুনা লৈবসি উতদা থাইনগী মৈতৈ ইপা ইপুশিং অসি লাইয়েংবগী বিভাদ ম্বাম্বা থাক ব্রাংনা লৈবগোইবে হায়না থাজদবা ওমদে। শম্না হায়বদা ওজা মধুগী হগী লাইয়েংবগী বিদ্যাগী মঙাল অদু লাইবিক মচা অসিদা নিংথিনা ভাবে। মবম অদুনা, যুম পালিবা মী খুদিংনা লাইবিক মচা অসি থম্বদা মতিক চাই।

শ্রীসেঞ্জম ইবুঙোহল সিংহ
রাহেংবম লৈকাই, বিঃ এঃ।

ৱাহৈ খরা।

——:(•):——

শ্রীক্ষেত্রিময়ুম মধুসিংহনা ইবা "মৈতৈ মাইবা" হায়বা লাইরিক অসি য়াম্না কুপ্না পাক্রবে। লাইরিক অসিদা মহা কাবা লৌন অমম্মুং ছুই অভাওবনা চিক্লগা কবম হায়না লাযেংগদগে হায়বগী মরমদা য়াম্না কুপ্না ইরি।

চহি খুদিংগী লিস ১ম্মুং ছুই অভাওবনা চিকতুনা মী শিব ১ম্মুং মথোং-মথুং ককপনচিংবা কযা যাওনরি। ওজা মধু সিংহনা মতম চানা থেংনহৌববদি থোং-থুং ককপা তোদনা মণিপুরদগী ফংবা উবি-রাবি অমম্মুং মবা-মশিংদনা শের হিনাক্রনা লাইথংহনা কোম্না অমম্মুং লাযনা ফহনলি।

লাইরিক অসিদা মহা কাবা জীব পুম্নমক্না হেক চিকপদা তৌ-গদবা সেবা, হিদাক মওং শুগাইনা ইরি। মহা কাবা জীব খুদিং-মকী তোঙান তোঙানবা লাইয়েং ইরি। লাইরিক অসি মীপুম খুদিংমক্না পাবদা কান্নগনি হায়না থৈ।

ইম্ফাল্

তাং ১৩।২।৬৫ ইং

এল: জয়চন্দ্র সিংহ

থাগৎপা ।

শ্রীক্ষাত্রিময়ুম মধু সিংহনা লেংবা মিতয় মাইবা পাজরে। লাইরিক অসিদা লিয়া চিকপা, তিনবুন নাপুম্না চিকপা, হুইনা চিকপা লাইরেম্না চিকপা-ওকনবা, থোইনচিকপনচিংবগী কংনবগী মরমদা নিংথিনা ইরি। লাইরিক অসিবু নিংথিনা ১ম্বং থাজনা শিজিন্নবদি হায়রিবা মহু পানবনা চিকপদা কিরোই। য়ুম খুদিংদা অমখম থম্না য়াবা লাইরিকনি।

শ্রীলাইরেনময়ুম ইবুংতোহল সিংহ
মোইরাংথোম, ইম্ফাল।

হিরম--লমাই

হিরম লমাই



মতম্ম কয়াগী মমাংদগী মৈতৈলৈবাকচিংগী জীব কয়ানু মহু বন্ধ-
[illegible]না চাক্তুনা পুন্সি কয় [illegible] মা গদবদগী বলহৈনবগী মতমদা [illegible] ইবংঙোনা থুপনা লৈগ্রবা মতম নবাবু তঙানবদা [illegible] লানা শন্দোকখিবকপা অসিদা ছাত্র [illegible] লৈবক্লবা নন ইংরেংকনা [illegible] যদি [illegible]নবগা [illegible]

মখেক লায়রবা ইতিহাসকী [illegible] অমা লমজিংবিব। অসিদা মতোম ল্যোয়া লমজিংবিবদ অপনবা পিবিদনবা ঈশ্বরগী চরন্দা নিজরি।

ছাত্র অমা

শ্রীনিংথৌখম নিমাইচান্দ সিংহ

খোংমন

নোংপোক রোড, ইম্ফাল।

অরানবা চুমথোকপা

হেডিং	অরানবা	অচুম্বা
(১শুবা)	ওইরপা	ওইরগা
	লৈহৌরবদি	লৈহৌবদি
(২শুবা)	লাক্লগদবা	লাক্লগদবা
(৩শুবা)	থাংবা	থংবা
	যামই	য়ামই
	মরু কাবা	মহু কাবা
	থদহ্না	থংদহ্না
	চেকশন বরম্নবা	চেকশিনবিরম্নবা
(৪শুবা)	ঙমলক্কবদ	ঙম্নক্কবদগী
	হীমাকী মগুনম্না	হীদাকী মগুম্না
	মতুং	মতুংদা
	ওইরাক্লবদি	ওইরক্লিবদি
	মরু ঙাক্পা	শরু ঙাক্পা
(৫শুবা)	থুমম	থুনম
	লাক্নরবদি	লাক্লরবদি
	ওম্নোকহন্দনবা	ওথোকহন্দনবা
(৭শুবা)	পোকখিবদগী	পোকপিদগী
	মহিক	মহি
	চাক্লাক্পা	চীক্লাক্পা

	মু॰থ্রবদি	মুংনথ্রবদি
	খু'দা'হিবা	খুদোংথিবা
(১০শুবা)	লৌ'ক্লগা	লৌথোক্লগা
	লোয়রবা	লোয়নরবা
	তেরগা	তৈরগা
(১১শুবা)	তৈবিগা	তৈবিরগা
(১২শুবা)	অ:রবা	অরেংবা
(১৭শুবা)	শলাই ৭ কা	শলাই ৭ কী
(১৫শুবা)	পোররকই	পোকনরকই
(১৯শুবা)	চৈনাখোল থুমা	চৈনাখোল থুনা
(২০শুবা)	ইম কৌবা	ইমা কৌবা
(২৪শুবা)	না:রিগী	নারিলগী
	মচাকপু	মৈচাকপু
(২৫শুবা)	অহগী	অহমগী
(৪০শুবা)	মহ চিথেকতুনা	মহ চিংথোকতুনা
(৪২শুবা)	লইনা	লাইনা



মৈতৈ মাইবা

লৈশন চৌকপা ওইরকপা খুদম।

(১বা শরুক)

মতু কনবা লীলনা চৌকপদি পুং ২ গী মতুংদা হুগী মৈচাক ইচনাশেন পিবা হৌবকই। মতুং অপনবা লৈতনা হু অতুনা চাই-খোকখিতুনা চৌক্লিবা যাখুংগী মফম অকোইবদা কোইশম্বা থুংবদা হু অতুনা অমুক ঈগী শরুক্তা হাইজিল্লকতুনা মক মরু ওইবা শিংলিগী মতুংদা চংখিত্রনা হুগী অকনবা মৈচাক পীবা হৌবকই।

হু অতুনা ঈগী শরুক মথৈ মথকলোমদা অরাংবা মাইকৈবোমদা চেনখংহল্লি। থেংনকুবা ঈগী শরুক হুগী মৈচাকনা মথং মথং ঈশিং শুলহনখি। ঈ যাওত্রবা মফমশিং অতু পংথবা শিথবা হৌবকতুনা ঈ লৈত্রবা মফম মথৈ মথং মথং পংথবকই অমসুং শিথবকই। হুগী মৈচাক্কি অপাম্বা লৈতনা কাবা ওইবনা মকওইবা শিংলিশিংগী মতুংদা চংশিনখিবনা ওইরকপা মওং খুৎতা ওইরগা পাম্বোম মরু যৌবকপা খোংদা ওইরপা ফৈগল মরু নিংজোল যৌরক্লবদি অরুবা পুংকম মতম অমনি। অরাবা মৈচাক্না লাওখোংনা থাংলম্বদগী হু অতুনা পুকনুং চংবা হৌরকপা মতমদা হকচাংগী জ্ঞান মাংবগা লোইননা তুম্মম

লৈথ্রগনি। হুনা থুমগৎতুনা মৈরক্লিবা মাইকৈ নাকল অহু ঈনা ঈশিং ওনখিবা মবম্না লফু মকক্ৰী মওংশুম্না পোকথাইবা য়ানা চাওথোক পোমথোকই। মতুংদা মীৎ উরক্তে হুনা কোক্তা হায়গৎখিবগী মবম্না শব মপুং কানা হোনবা থাক্লক্তুনা তোইন তোইনা ওথোক হন্দোক্নবগী তৌবকই। মতম অহুদা হন্দোক্লদোক্লিবা অহুবু কাবা থিংবা ওমলওবদগী খুদোংথিবা ফংনারবানি।

মবম অমনা হুগী মৈচাক্লা হেগুল্লক্লবা মতমদা নোংমগী মনুংদা ইংহন্দুনা পোখাহনবা ওমাখনবা অনাবশিং অহুদ নোংমা লেপ্লগা হিংহোনবমঙদা হুনা ওকচাং পুম্নমক্তা শিন্না থুংনা চাইতুনা লৈখিবনা ফরক্লবা মতমদা হুগী মৈখাক লৈহৌবনা মতম কুইবক্লগা চৈনাখোল মওং জাৎ ওযানা অমুক তৌবকতুনা হ্লাহল্লি। হু লাইযেং মবমদ নোংমগী মনুংদা চাকলিবা মৈচাক অহুবু ইংহন্দুনা তুমহন্বা পোখাহন্বা যাওবদি ফংলক্লবা মতুংদা হুগী মখাক লাইমনগী মখক লৈহৌরবদ মশানা তাববনি।

[২শুবা শরুক]

(লীলগী) লীলনা চাকপগী লাইয়েংফম।

——:(•):——

লীলনা চাক্লগা ইনুং চংনদে মাঙ্গোলদা অমসুং মপান্দা লৈহন্দুনা লাইকনৈ। হুগী অঙাং চংহন্দে অমাং–অশোই শম্নরগা হুগী মপাঙ্গল হেনগৎলি হাইতুনা মপান্দা থমহুনা ওসি ফাওবা চংনবকপগী মতুং ইন্না লাইযেংনবি। অকবা মবম অমনা কনাগুম্বশিংনা কুংশিবগা লোযনগা হুগী মৈচাক্লা ওন থোইনা লৈরিবা অনাবগী মনক নকনা

করম্বা পোৎশক্না চিকপনো হায়বনচিংবা ম্নাবমথৈ হংবিদবা কৈ। মরমদি থম্মোই শাম্বা ওইরমলগা অমুক হেন্না অকিবা শরুক ওই-খিত্রনা হুগী মতেং পাংলুবগুম থোকখিত্রনা অরাবা হেন্না হাপচিনখি। মরম অসিদগী মুগী চংবা খিংনবিবা মরমনি। অসিগুম্বা চৎনরম্বা মরমশিং অসিগী মমুং চনবা লাইয়েং সেবা তৌনরি অমমুং লীলনা চীকপা মীদ হুগী মগুণ চাওহনবা রাডাং খিংবিহৌবা মবমতনম্থ হীদাক্কী মরম শিজিন্নদ্রিভৈদা অহানবদা মরুওইনা পুকনিং থৌগৎপা রাডাংদনম্থ অহাম্বা থেংনবগী অচৌবা লাইয়েং অহানবনি।

লাই- অসিগী মবমদা মী লাংবনচিংবা অকি-অথংবা লৈহন্দত্রনা চীক্না হোৎনত্রনা য়েংগদবা লাইয়েংনি। লাইনা অসিগা যাম্না পক-দবা মরমদি খংনত্রনা লৈরবা মুংশিংকী লাইনা হায়না খংনরিবা মরম অসিনি।

কবিগুম্বা লাইনা অনি অসি মাব লৈনখ্রবদি থাইদোকনবগী মরমদা অরাবা মতম অমা ওইখল্লি। লাইয়েংবগী মবমদম্থ মতম শাংখহল্লি। পুংশিং ককপা লাইনা ওইবনা চেকশিন্না হোৎনত্রনা লাক্লগদবা লাইয়েং সেবাগী মবমনি।

(৩গুবা শরুক)

লীলবোপকী খুদম।

মরম অমনা লীলগী মহুদি অরাবা মৈচাকনি হায়না খংনরবা অমনি। অত্রম্নদি ওইরগা লীলনা চিকত্রিবা কয়ানা হুগী চৈনাখোল মৈচাক থাংবা গুমদবগুম্না কবিগুম্বা লীলনা চীক্লগা ইলাই লাইনা

খন্দোকপা অসিনু মতুংদা নিংঙমহৌদবা য়াওনদবা নত্তে। মহ পুবা লৈলগী জাৎ মশিং য়ামই অমসুং মশক মচু মওং খেন্নবা যামই মরম অসিদগী করিগুম্বা লৈলনবু শোক্লবদি অমনবু ওইরবসু য়াম্না থুনা লাইরোংবিহৌবনা কৈ।

লৈলবোপনা চৌকপনি খঙ্গুনা লৈথোকলুবদ মরু কাবা পোংশক্লা শোকপা ওইরমলগা মতুংদা খুদোংথিবা কংনরি। মরমদি হু হাযবা অসিগী সাজৎ মহু থুনা কাবা তপনা থিন্নুনা কাবা শরুক ওইবনা লায়থোকলুরগা অমাংবনি। লৈলবোপনা চিক্লগা মহু কাদবা পোংশক ওইবনা লাইযেংনত্রিবনি অতুম্নদি ওইবগা করিগুম্বদা খন্দহুনা শম্বি নেংলুবা নত্রগা পাইরবদগী কাবকপা মহু কয়নবগী মরম অৱাবনি। লৈলগী মহদি শম্বিদা থনম্মি হাযনা থুপগ্রবা গুরুশিংনা চেকশিনাববত্নবা য়াথংনি।

(৪শুবা শরুক)

খাওরৌগী মহু

খাওরৌগী মহদি মতম থোইনা শাংখদনা কাবা মহগী জাৎনি। মাগী মহুনা কাবা হৌবক্লবদি মৈগী পান্দমগুম্বা মৈচাকনি। যাখুন্দগী হৌহুনা মথকলোমদা হুগী চৈনাখোল মৈচাকনা লু-তোং শিংলিনচিংবা চাকথেকতুনা মথকলোমদা হায়গৎলকই অমসুং মহু কনবশিংনা চৌক-পগী খুদমদি য়াথুলগী অকোইবদা মুশিল্লকই। খুদম অসি উৎলক্লবদি অকবা মহনি খংনৈ অমসুং অকবা মহগী চৈনাখোল খাংবা গুত্লবদ পুন্সি কয়া চাকথেকতুনা মাংহল্লি। করিগুম্বা হোৎনবা কনবদগী

হিদাকী মগুণহ্না ফররুবা মতমদা মতুং অমুক অরাবা মতম অমা ওইরক্লিবদি য়াখুন্দগী হৌদুনা হনা চাকথেক্লগা মকমশিং অদুমখৈ থু-তোং পুম্নমক পুমথরকতুনা কিম্নহল্লগা মরু থাক্কা লৈহল্লি। মখোং অসি ওইরক্লিবনা অহানবদা অপনবা লৈতনা হেক শোকপগা মাই-রেংহৌগদবা মাইনানি।

(৫শুবা শরুক)

সাজেল হীদাক।

সাজেল হীদাক অসিনা মরম ওইদুনা অহানবদা হোৎনহৌগদবা মবম। লৈলনা চীক্লগা অহানবদা য়াখুলদা হিদাকমনা অয়াকপা মচেৎ থরদং যানা কুপনা শাইরগা য়াখুন্দা থোম্বিরগা চবী লকুগী লা মচেৎ অম' মৈদা য়াইদুনা যোমলগা কীন' চেংনা পুন্দুনা লৈহন-গনি। কবিগুন্ন, অথাপ্পা মকম লমলক্তা শোক্লবদি য়াখুন্দা মৈ থাহৌবগী মরমদম্ন কান্নবা ওই। মতম থরা মহু পলহন্দুনা লৈহনবা য়াই অমম্নং মহু কনবা লীলগী মহু ওইবনিনা লাইয়েংবা থিলহৌ-রগম্ন পুং ১৪গী মতুংদা হনা হকচাং পুম্না থুমগৎতুনা লমখাগ্নো থোইরেল য়োদনা হুগী থায়াম্তা মাংখি। লীলনা চীকপসি মহু মথক লোমদা চেনখৎপসি মহৌশা ওইনা তৌই। করিগুম্না থোং থুংনচিংবা হকচাংগী মখা থংবা শরুকতা শোক্লবদি অহানবদা লংগী থাংজিং চাওরপ তারগা শোক্লিবা থোংশা অমম্নং থুংশা নক্লগা থুমম থুবাক থোংপাকনচিংবদা শোক্লবদি থুংকীনা থুজেংদা থোংগীনা থুকউগী মখাদা চীক্লি চীক্লিবা মকমগী মথক মহাদা লংগী থাংজিংনা কক্লপা

পুন্নগা খোংদা ওইরগা কুট ১১০বোম রাংনা মোম্না শেম্বিবগা থাঙ্গৎতুনা লৈহনগনি। খুত্তা শোক্লবদি কমদুনা লৈরগনা খুৎ অদু রাংনা থাঙ্গৎ তুনা লৈগনি। হিপতুনা লৈরগনা কুট অমা রাংনা অমোম্বা যিনা শেম্বিরগা খুৎ অদু থাঙ্গৎতুনা লৈগনি। মওং মতৌ অগুম্বা হোৎনদুনা লাক্লনরবদি হুনা অরাংবা মাইকৈদা হায়গৎলকপা ওমদে। মতম খবা মহ মহুত্থ পলহন্দুনা লৈহনবা ওমই। অমমুং মক ওইনা শেন্নহৌগদবা মরম অমনা লীলগী হুনা হাযগৎখিদুনা হকচাং শিনবা থু'না চাই থোক্লমলগা কোক্তা হায়গৎলকতুনা থোপ্তা য়ৈরবা মতম অসিদনি হকচাং মুং পাল ৎল্লবতুনা ওগদবগী তৌরকই লীলগী হুনা যাবোমদা ওথোকশ্রবদ্রি লাইযেংবগীসু অরুবা মতম অমনি। লাইযেং অসিগী মরমদা ওন্দোকহন্দনবা চেকশিন্ন হোৎনহৌগদবা লাইনানি।

(৬শুবা শরুক)

হুগী মৈচাক্লা ঈশিং কৌবা।

লীলগী হুনা ঈশিং বৌংক্লবদি ঈশিং অযিংবগী মবমদ, পিথকপা অসি মরী লৈনদে অমমুং য়েকনবনি। পিথকনবগী ঈশিংগী মরমদা চক্ষু অশেংবা অমদা ঈশিং অকবা কিলো ৪ রোমগা লফু চংবীগী মকাওম্নবা মহি কিলো মখাই ১ গা ইংলিস্তদা তিন্নরগা মৈদা ২রকুং শৌহন্দুনা ইংহল্লগা থোরকপ, খুদিংগী য়াউম ১দগী হেন্ন, পিথকপসু কত্তে। হোঙ্গম্না পিথকলুবসু হুগী মতেং ওইখিদুনা অরাবা হাপচিন্ন ওই।

চাক থোংবগী ঈশিংসু অফুৎপা ঈশিং অদুনা থোংদুনা পিজগনি। অতৈগা চক্ষু তিম্ননা চাবা য়াদে। অফুৎপা ঈশিং অদু নোংমা লেল্লবদি

অমুক নোংনা শেম্বগনি। মতো অদুম্মা ঈশিংগী মরমদা শিজিন্নগনি। ঈশিং অসিনা মাই-মীৎ শেংদোকপা অমাং অশোইনচিংবদা শিজিন্নগনি। অতৈ অতোপ্পা ঈশিং শন্নবা যাদে থ্বাইগী মক ওইবদি ঈশিংনি। অনাবা অসিগী মরম্মা হৌবকপগী ঈশিংদগী হৌবকই।

(৭শুবা শকক)

চাকহেন চিঙ্গাক।

লাইলনা চীকপা লাইনাদি মচা পোকথিবদগী অমুক হেন্না চাক হেন নবই। পিজবা পিথকপগী মরমদা চাকহেন কাইকবগা হুগী চাক মথং খেইথ্রবদি মরম পুন্নক্না অকাইবা ওইংকতুনা লাইযেংবগী মরনদম্ব শাংথহল্লি। চাকহেন্না অচৌবা মকনি।

পিতদবা চিঙ্গাকী মরমদা মপোক চাবা যাদে ভাগী মরমদা মপোক থেকপ ও মকু ভেংবা চানা যাদে ভাগী মরমদা চমু নৈরৌ টকাবী নৈ ১কং ফবা অসিগা অমনু ২দংগা মৈদা লৌবিরগা মৈতৈ থুম মৈদা ইবতুনা পোংলন অচুম অসিগা পিজগনি। য়েঙ্গাংগী মংগনি পিজবা যাদে যাথুন্দা পথ-পুমথগানি। মপোকী মহুত্তা শিং লইন পিজগনি মরোক পিজবগ হুগী মৈচাক হাপচিল্লি। ভাগী মরমদা অতেকপা চবদগা যাথুন্দা মহিক মচুম থোংকই। চাঙ্গাকী মরমদা কান্নুববদি মবম কযাদ অকাইবা ওইবকই। লাইনা অসিনা কক্রি-তৈদা ইমুং চংবা অকাইবনি।

(৮শুবা শরুক)

হুগা য়েক্নবা হিদাক ।

——:(•):——

করিগুম্বা লীলমা চীকপা অনাবদা অশিম্বা হৈগী শরুক মনা-মশিংগী মরমদা নকনা শম্নহন্দবনা মতুংগী মরম করাদা কান্নহৌগদবা লমি অমনি । হুগী লাইনাদা অশিনবা হিদাক্তি যেক্নব অমনি । অশিনবা হিদাকশিংনা কবা ওমহৌদত্বনা কবিগুম্ব পক্নদবা ওইদুনা মুনবা ওইথ্রবদি মতুংগী লাইয়েং মবমদ অপনবা ওইতুনা অন্নাব ওইহল্লি । লাইনা অসিগী লাইযেং মবমদ মতুংগী থোরমশিংদা অকাই-বা ওইদনবা অমেংবা হিদাকনা শিজিন্নবহৌরবাদ মতুংগী লাইযেংদা খুদোংচাবা কাই । হিদাক্কী মবমদা হুগা পক্নদত্বনা মুং-থ্রবদি করিগুম্বা হক্চাং অতু হি মমক ত বক্ল দা যাথুন্দা পথবা-পুমথবা ওইবক্লগা কম্ননবগী মরমদা অদব মতম অমুক ওইহল্ল মহু কনবনা চীকপগী লাইযেং মবমদা চায়েংবা অমসুং শিন্দম্বা ওইনা লাইথোকনা লাই-য়েংগদবা মবম ওইদবনিনা কবিগুম্ব লম্লপ তৌনা লাইযেংলুনবদি অমা বগী মশকনি ।

(৯শুবা শরুক)

য়াথুন্দা ঈশিং হানবা ।

লীলনা চীক্লগা লাইয়েংত্বনা অমসুং মহু হেনগংহন্দত্বনা নোংমা লেলহনবা ওয়ক্লবদি কান্নবকপগী খুদম মরম অমনি । হুগী মৈচাকনা মঙং নাইদনা পোমত্বনা কারম্বা মত অতুম্ব মমাই লৈত্বনা হুহ্রকই । মমিং ২নি গুরকপদা হীংবা তারক্লবা মতমদা য়াথুন্দা অমুক ঈশিং

হান্দুনা মৈনা পোকপগুম্না চোংথোরকই। মওং মতৌ অদু উবক্লবদি উবগা যাম্না থুনা হুনগাইহৌগদব অমনি। মরমদি হনা চাকথেকতুনা ঈ য়াওদবা মফম ওইবনিনা করিগুম্বা মাংজৌননা হুনগাইহৌদবনা মথন্তা পোকথাইরকপা মতম অসিনি অরুবা মবমদি। সু-তোং লোইনা শিনবা থুনা চীবথেকপা লোইবগা পোথাইরকপা ওইরকপনা শিজিনখ্রবা মফমশি অদু নোংমা নোংমগী চাশিন পুমশিন্দুনা নিং-থাইরকই। মতম অসিদগীনি থোং খুৎ চিংবা কয়াবু তৎখি কেনখিহনা মতম কয়া অরাবা থাংনবিবসি অহানবগী লাইযেংদা মংম কাইখ্রগা খুদোংচাবা অসি ওইরকই।

(১০শুবা শরুক)

লীলনা চীকপগী তুমিং।

লীলনা চীকপা তুমিং অসিদনি লাইপক যেনহৌগদবা মতমদি অনাবা অদুগী মনাক নবনা লাইযেংব ফম শেল্লবগ মাইযোকনতুনা তোংনহৌগদবা মতমনি। অহানবা চীকপা তুমিংদা, মথক্তা যাওগ্রিবা সাজেন মবমশিং অদু নিযম কায়দনা তোংনবিগা পোৎলম হিদাক শিং অসিনা মতম নাইনা শিজিন্নতুনা হোৎনহৌগনি। অদুনদা মাখুন্দ হিদাকসনা থোমগনি সংবদা হ চুপাথাবপা ভম্না হভম হযবা হিদাক অসিগা মাইৎেন অথাবদি কৈ, কাদ্রেগ মাইরেন মপুন ভমা মকু থোকতুনা শিজিজ্ঞ শিৎলগা হভম হিদাক, তিৎতুনা পুথমদা মুম্না তোৎলগা হ কারিবা মফম অদুমখৈ মাইরেল অদুনা মাখুল তকোইবদা নপতুনা থোদলগা চংবী লফুগী লানা থুমলগা

ফিনা চেংনা পুন্দুনা থমগনি। মিনিট ৫গী মনুংদা অমুক লৌঁটি ক্লগা অমুক মরন কাইদনা শিন্দুন থোমগনি। হিদাক কাংথোকপা খুদিং হগা লোয় বগা শারবা মনিলগা লোইননা এহ চিংথোকতুনা য়াও-রকই। হীদাক কাইথোকপা খুদংদা অহানবদা অনাবা এক্ষম অদুগা হজম হিদাক অসিনা মক্ষম শিনবা থুংনা তেবগা মাইরেলনা মথও অমক থোমগনি। মতৌ অমুমনা তোদনা তোইনা হিদাক শিনবিবগি হগী মৈশা মৈচাক মথং মং নেমথ হনথবতুনা নোংমগী মন্নুংদা পোংশ রকই। অমসুং নে দি লাইযেংলিব. মীগু নোংমদি অনাবগী মনাওগী থাদোকনবা চুবদে। অনাবা অদুনা পোংথাদুন তুস্বা যাবর-বদি অনাবা হন্দোক্লে হায়না ফমশনবনচিংবা পুকনিগী হুংচাইবা পোনদে। লাইযেং অসিগী মতমদা শোবপ তুমিংও লাইযেংবা ১৩ং ফমশেনবনচিংবা নিংক্ষম অহোংবা লৈতনা মাইয়ো তংদুনা কাইরুম হোংবনা খুনোংচাবা এইগী কাহৌবিনি।

(১১শুবা শরুক)

তুমিং ২নি শুবকপগী লাইয়েং।

লীলনা চীক্লগা নোংমা লাইহেংদুনা খুদোংচাবা ফংনবদি তুমিং ২নি শুবগী থোংফমনা অহানবগী মওংদৌনা হিদাক তোইনা তোইনা শিন্নবাই। পোমলিবা যাখুল অদুদা লীলগী ২হ হাংপা চংহনবা ওন্বা হীদাকনা নাবিবা মক্ষমশিংদা শিনবা থুংনা তৈবিগা মথক্লা অমুক হজংগা ম ইংলগা মুম্ন তোংতুনা নোংমদ. মত ২রক

অমুক থোম্বিবন মুংখিল পুং ৪ তাবা মতমদা অমুক তৈবা থোম্বিবা নেংথমদা হীদাক অনিরক শিনবিদুনা হুনা যৌরম্বা কারম্বা অপোম্বা মক্ষম অঙনা হুম্ফদ্রিবা মতম মথৈ নুমিৎ খুদিংগী হিদাক শিন্দুনা হোৎনগনি। মতুংগী অমুক হুগী মথাক্ লৈহৌ পলহৌদনবা থকপা চাবগী মবমদা অমুক চথগনি। হুনা ঈগী শরক্তা চংদুনা ঈশিং ওনখিবা মক্ষমশিংদা অমুক ঈ হাপ্পনবগীদমক্ হীদাক্লচিংবা পিথক্কনি। মতৌ অহুম্না হোৎনবগা মক্ষমশিংদু শযোন লাকতুনা ফবকই।

(১২শা শরুক)

মহৌশাগী অহৌবা লাইশা লৈবা

——ঃ(০)ঃ——

মনঅমন মাহৌশাদগী মশাদা অহৌব' লাইনা অগিনবা তংবে শাবি যাত্নুনচিংবা চেন্নগনবা মীদা নীলন' চীকগা ওইনকপা লইং, মংদি লাইনাশিং অতগী নুংশিংক' নীনগী 'লুগা' যেংনতুনা ওইংকুং মতৌ মংদি লাইগেৎ বুফ হংচিল্লবপ' ওইবন' ওত্রবা যাবক্তে অমসুং হুগী মৈচাক মৈশা মতম খনা ওনথোইনা মৈচাক্ খাকল্লগ পংথবতুনা মচিল মযানচিংবা চিকশিল্লকই। মতুং মথোং মথুংনচিংব' থেকচিনবা কোনশিনবা য়াবক্তে। মতম অহু যৌবক্লবদি শ্বর মপুং কাদবা শদৌ হোন্দুনা মীহুলগী মনমদস্ত পিকৃশিন্দুনা অরাবা থাংদুনা পংথাখ। অসিগুম্বা খুদোংথিবা মতম অসি যৌবকপা মতমদা পুম্নমক্কী পুকনিং চিংনদবা য়াবক্তে। মবমদি হুনা থক্তা নুত্তোন য়ৌন কুপখিবনা ওইবা মরম ভাক্তনি। মতম অসিদগীসু কলহৌনবগী

পাম্বৈ লৈরম্মী। অমম্বং অনাবগী লাইওং মতুংইন্না হীদাক শিজিন্ন-গনি। য়েৎনরিবা লাইনা অনিসিবু থাইদোক্‌হৌরবদি মথং মথ কান্নবা কংলকই।

(১৩শুবা শরুক)

থক্তা চু হায়গৎখিবগী হিদাক।

লীলগী চুনা পোত্থাবা যাত্রচুনা চুনা থকলোমদা হায়গৎতুনা কোক ভাওতুনা পংথরক্রবদি হীদাক মবমশিং অম্রিগী মতেং চংলকই। অহানবদা— তোর্বোৎ মশুং অমা শিংজিত্তা শিংলগা খু... পাকপা ফিজেত্তা তৈতুনা লরাই লেমযুদা ১ লাইপক্তা ১ খোমতুনা শাররক্রবা মতম মতমদা তোইনা শিন্দুনা খোম্নবদি চুনা লুতোন যো-থ্রবা হাযথবকতুনা পোত্থাহল্লি। ২শুবদা— হিদাকমম্না তবাযুক্তং অশংবা অতু মুম্না ফুংলগা চুনা পোমলিবা মফমশিং অতুদা মনাতু তিংথোক্লগা কুপতুনা মথক্তা চংবী লফুগী লানা য়োমচুনা কিনা পুন্দুনা থমগনি। মতুংদা হকচাং শেংহৌনবা মথৌ শংবা ওইনা শংত্রে মনা খুবাম অনিয়োমগা ময়াং হীদাক মনা তবেৎকা হীদাকপু মহিগা ঈশিং থবগা যান্দুনা চফু অমদা মুম্না লফু চংবীগী মকা মকক অমগা হাপতুনা ফুংলগা লাবোল তরেৎ লোন্দুনা খুমলিবা লা অতুগী মথক্তা মখুল পিকনা মচা অমা চুৎকনি। কারক্লিবা মনিল অতুদা ফিবুল অনি শেল্লগা মনিল অতুদা য়াইবীরগা হকচাং থোংবা য়ারবা মতম দা চুচু ২না হীগা য়ৈথগনি। মওংদি ওকশাম লুশমদগী লেংজুম য়োবা কাওবা অমা। লেংজুমদগী খ্বাং কাওবা পাম্বোম মরুদগী খুদাং কাওবা।

থবাক্তগী নাক অনিগী শদোল যৌবা। খ্বাংদগী কৈগল খুউ কাওবা অসি হন্না হন্না হীগা নিংথিনা যৌবিন্নবদি থক্তা চান্নহুনা হান্নগংলম্বা সু-তোংদা য়েশিন্দুনা লৈবম্বা মহু খাবোমদা হাইথরকই। অমম্ফুং পংথহুনা লৈকরবা চকচাং জ্ঞান লাকতুনা লেং-খোংপা ঙমলকই। মতম অহুদা যাম্না নিংথিনা হোৎনহৌগদবা লাইয়েং মরম অমদি যাবিবমথৈ মী লাংবা নীলচন্দবা অসিনা কান্নববা লাইযেং মরুওইবা অমনি। মরমদি জ্ঞান লাক্লগম্ব মপুং ফাত্রিবঃ মতম অমা ওইরিবনা কবিগুম্বা থংহুনা পাখৎপা ওইথ্রগা ফবক্রবা মতমম্বা হুগী মথাক পলহৌহুনা মতুংদা লাইনা শেংহৌবা যাদহুনা লাইমন কাংবা মওং অমা চেম্নহুনা লৈহৌই। জ্ঞান মপুং ফাত্রিবৈদা চীকনা হোৎনগদবা লাইনানি।

(১৪শুবা শরুক)

খোইদৌ তাওথৎপা লুপনবা।

লিলগী জাৎনা চীকহুনা অকবা মতমদগী ঈশ্বরগী কৃপানা অমুক খুদোংচাবা ফংলক্লবদি যাম্না চিকনা হোৎনহুনা সেবা তৌবিগনি। মরম অমন' খুদোং চাবকপগা লোইন লোইননা শলাই (৭) কা হিদাক মরম অসি পিথক্লগা হুগী চৈনাখোলনা খাংবা ঙমনহুনা খোইদৌ তাওহুনা লৈরম্বা অহু লুপতুনা খোইদৌ মরা তারকতুনা করকই।

শলাই (৭) কী মরম লাইহিদাক লাইকি লাইথাই লাইচাংগ্রং লাইউতোং লাইকবোং লাইকন পোৎলম তরেং অসি চফু অহনবা

অমদা ঈশিং অশেংবা সেব ২ বোমগা মুল্লা ফুৎতুনা সেবমুক লৌবগা নোংমদা অহুমলক য়াউম অমরোম অমুক মুংথিল চাক মতুং মুমিদাং চাক মতুংদা অমুক, মতৌ অমম্মা পিথকতুনা হোৎনৈ। লীলগী হু কোকতুনা তুম্বা হৌরক্লবদি হৌদোকপিগনু তুম্বনা পাঙ্গল হাপ্পি ১মুং অনাবা হন্দোকই। লীলগী মহুদি কাববু হৌবক্লবদি অকনবা চৈনা-খোল পী। মৈচাকপু মুৎহনবা ভম্মনবা হোৎনহৌগদবা লাইনানি

(১৫শুবা শরুক)

পুং ১২ গী লাইয়েং।

লীলগী মহদি অবনবা মৈচাক ওইবনা চৈনাখোল থাংবা ভন-দম্বনা লাও খোংনা থাংই অমম্মু চীকপ মতম পু মমদগী হোৎনবদ পুং ১২গী মনুংদা পোত্থাবা পিবক্তবদি পুংগি বকপ লাইন ওই নোংমা চেল্লগা কবকতুনা পোত্থাবমক ওইক্লবদা মতম চেং ব কলহৌবা থোক্লগা মতুংদা কুইক্লগা লাইনা মথাক হৌগদি হাই-না অসিগী লাইযেং মবমদা মশিল কয়া চংনিংঙাই ওইবনা অগী হীদাক শিজিন্নবা আসদা চেকশিনগদবা মতমনি। বসিগুম্বা ইশ্বগী থৌজাল অমম্মুং হিদাকী মবম্ম পোত্থাবকতুনা অনাবা মমাই লৈবক্ল-বদি অমুক হেন্না চেকশিনগদবা মবম লৈবি। ভসি শোকপা মতমদগী হয়েংগী পুংকম যৌবা কাওবদি চেকশিন্না শেন্নহৌগদবা মতমনি। পুংযম অসিবু হেন্দোবক্লবদি পুকনিংগী চিনবনচিংবা ক্লোবতুনা মুংঙাইব ব্লাখল পোরবকই অমম্মুং অনাবম্মু নোংমা নোংমগী হন্থবকতুনা ক্লরকই।

(১৬শুবা শরুক)

লৌন্দু অমস্তুং লৌন্দু চরাংগী মচু ।

লীন্দু অমস্তুং লীন্দু চরাং অনি অসিনা চীকতুনা পুন্সি কয়া কয়বু মাংহল্লিবনি। লীন্দু চরাদি ঈশিং লৈবা মফমদা লৈগল্লি; পোংশক অসিনা চাদ্রপদি মচু দুনা কামনবা ওইবনা যাখুন্দগী ঙৌতুনা মঙং নইদনা পোমতুনা থাংকম থাদবা মৈচাকনা থুমগং-তুনা পুন্সি কয়ম লাইনা মাংহল্লি। পোংশক অনি অসিগী মচুংদগী অমন চক্লপাদ তঙহনবদা যাখুন্দা মৈ থাদোকহৌবগুম কান্নবা মবম অমনি। মফম অপুনবা তঙ্গু অশাব যাংখ্রি কাংবা মৈ থাগনি। অশাব মাংবদি পোকন মতুং যাখুন্দা হিদাকমনা শাইতুনা নপলগা নাচংবনা অমবা মকু থেক্লগা পোঙজগা শিংতুনা থবোই ফিজুবকী মনাক্কু কুপনা লেনা মাইহৌলগা তোংতুনা যাখুন্দচিংবা মৈশা য়োবা অমমনা মনা থোরতুনা থম্বিবগা চংবা লানা কুপলগা ফিন পুন্সিন্দুনা শেলপদি থুদোংচাবা ফই। মতুংগী মরমদসু কান্নহৌবা ওইগনি।

(১৭শুবা শরুক)

রুনা পৃথ্বা মচু।

মচু কাবা লীলশিংদগী পংপা পুমথবা থাংবৌনা চিকপনা হেল্লি। লীন্দু লীন্দুচরাংসু ফংল্লগা পুমহুনা তংপা কেনবা ওইহল্লি-বনি। অতুম্নদি ওইরগা থাংবৌনা চীকপনা থুজিনবা হেল্লি। অমস্তুং থাংবৌগী মচুদি খোংদা ওইংগা যৈগল মরু থুত্রা ওইরগা পামোম্ম

মক য়োনা কাই। চীকপা হুমিত্তা হনা য়োরম্বা মকম মখৈ লু-তোং চিকথেকতুনা নোংমা লেল্লবদি য়াখুন্দা ঈশিং হান্দুনা চোংথোরকই। মতম অদু ওইরক্লবদি কল্লনবগী মরমদা হীদাক কয়াবু লংনবগুম ওইখিদুনা খিংবা ওমহৌরগা মতেক মতেক তৎখি কেনখিদুনা অরাবা ওইহল্লি। লীলা অতৈগী মহুনা কনবা ওমহৌরগা মতুং অকাইবা থোইনা পিদে। খাংরোদি কলহৌরবা মক্তদা মতুংদা অমুক পৎপা পুম্বা ওইদুনা মীওই চাদনা লেলহল্লিবা পোৎশক ওইবনিনা মবম কায়দনা হোৎনহৌগদবা লাইয়েং অমনি। মতম অদুদা হজম হীদাক্না মতেং ওইবা যংলক্লি। পুমলিবা লূতোংবুস সৌগৎহনবা ওমই।

[১৮শুবা শরুক]

লীলগী হু মৈ থাবা।

——:•:——

মহু কনবা লীলনা চীক্লগা য়াখুন্দা মৈ থাব কাঙ্লি হাযত্নুনা হোৎনহৌরিবা মবম অমনি। মবমদি মৈগী মৈশানা হু অদু যৈশিন-দুনা মতম থরদং পন্দুনা লৈহনবা য়াই। মতম অদুদা হু কাবকল-রোইরা খল্লুদুনা লাইয়েংহৌরগা মতুংদা কাবকপা হুগী মওংদি হীদাক্কী মরম কয়া চানদদুনা লাইযেবগী অরাবা ওইহল্লি। কবিগুম্বা চৈনাখোল অদু য়ৈশিন্দুনা লৈখিবমক তারবদা মাংবা য়'দবা মহু ওইবনা মতব কুইরক্লগা চহি ৪-৫গী মতুংদা লাইনা জাং অমা ওইংকই। হু অদুনা লু-তোং শংলিনচিংবদা চংদুনা থুপতুনা লৈখিবা মবমনা মতুংদা খাংবদা রাবঃ চীকপা শাবগী লাইনা জাং অমা হৌরকই। রাবা থকপগী মরমদা হৈনিংদবা হুকচাং নিংথম চন্দুনা হৌরকই।

মতম অহুদা অনাবা অহুনা মৈ য়াইগে হায়রক্লবদি মথন্তা থাদোকপিবা য়াদ্রে। হকচাংদা মৈনিল কংবগা থুপতুনা লৈবা হু অহুনা কুপতুনা মৈমুংদা তুশিন্দুনা মতম চাদনা মাংহল্লি। হুগী লায়নাদি লাইয়েং-খিহৌবা কৈ। য়েংহৌত্রগা অমাংবনি।

(১৯শুবা শরুক)

লীলনা চীকপগী য়াথুল।

লীলনবু চীক্লবদি অহানবা থেংনবা মতমদা চেকশিন্না যেংহৈগদবা মরমদি য়াথুলনা মকনি। খুদম ওইনা খংনরিবা মরম মহু কংবা লীলনা চাক্লগী লাইয়েং লাংযেংনা পুন্সি কয়া মাংখ্রিবনি। কয় অমম্ হুগী খাযাত্তগী নানথোকতুনা হংহৌদনা অমনি। লাইনা অসিগী মকমদা মরম কয়ম্না মহু হেন্না থাখিবনা বরম্ব মওদগী মহু য়াংনা কাহুনা হিংহৌবনে হায়নবি মরমদা চেকশিন্ন নৈনহৈ-গদবা মরম অমনি। মহু অহক্কা অনতদ হেন্না য়াংনা বাকম থোক্ত-বনি আসগুম্বা ঈচেল অমা থুপনা চংলবসি, মরম ওইবদি য়াথুলগী মরমদা অকুপ্পা মরম কয়া লৈননি ১সু য়াথুল য়াম্না লৈবা যামদনা চীকপদগী ওইবা খুদমনি। অরাইবা ওইনা শুকশিংনা হোৎনবিরম্বদি য়াথুল ৪ অসিনি। মথংদা য়াথুল অহম অসিদগী লুবা হৌরকলে। ২ চীক্লবদি অরুবা খুদমগী মনুং চনবা লাইনা ওইবনা চেকশিননা লাইয়েংনৈ। য়াথুল য়ামক্লবদি অরুবা লাইনা ওইরকই।

(২০শুবা শরুক)

য়াখুল অনিগী মগুন ।

মহু কাবা লীলনা চীক্লগা য়াখুল অমতং লৈবা লাইয়েং অসিনি কান্নবা যংবা হিদাক মবম কয়াবু কল্লবা হগী চৈথেংনা চাকথেকতুনা মাংহল্লগা হনা কুপতুনা পুন্সি লাইনা মাংহনখিবনি । মহু কাবা লীলনা চাক্লগা কনবা ওয়্নহৌজিবসি লাইযেং অসিগী মরমদা কুপশিন্না হোংনহৌগদবা সাজেলনচিংবা নানথোকহৌবদগী শোইথিবা ওইনা থুদম্নচিংবা থম্বিবমই । মরু ওইবা গুরুশিংনা থুপনা শিজিন্নবিরম্বা য়াথংদি য়াখুল অমগা অনিগা চীকপা অসিনি । অমমুং অকব মরম অমনা মুপাগী যেং মুপীগী ওইগী মাইকৈবোমদা মফম শেংনা চীক্ল-বদি অরবা মফম শোক্লে খংনৈ । অতৈ মবমদা ফখিবা ওমহৌরবমু থুদমশিং অসিগী মমুং চন্না শোক্লবদি কংনবগী মরমদা লুদবা য়াংক্তে । কবিগুম্বা মহু কাবনা চীক্লগা য়াখুল অমমুং শিংলি মীহুলকম শোক্লা মফম চুম্না চীকপদগী অর্বাবা যংশ্রিবা মরমনি ।

[২১শুবা শরুক]

তিম্মুনাপু ১মুং লীলখাক্লা চীকপা ।

তিম্মুনাপুগা লীলখাক্লা পোংশক অনি অসিনা চীকপ দ অয়াম্বা মতমদা মহু অমমুং মগুন থোইনা থেম্নদবা ওইনা থোকই । চীকপা মুখিং অজুদি চৈনাথোল মৈচাক কম্না পিদবনা য়ামই । মতৌ অয়াম্না মহু কাবা পোংশক অতৈগুম্না মওং-মতৌ মান্নদে থেন্নে । চীকপা

মুরিং অহু মহ থুপতুনা মৈশিলদুনা মৈথোক্লগা লোংনা মোল্লগা ওয়াংবী চীকপা থুংকম মতম ল্লোরকপদা চাইতুনা থুপতুনা মৈথিবা মহুনা অমুক চীকপা শাবা হোৌরকতুনা য়াথুন্দবী হোৌদুনা চাওথোক-পোম-থোরকই। মতুংদি অপনবা লৈতনা হুগী চৈনাথোল মথং মথং হাপচিল্লকই। মতম অহুদা কন্নবগী মরমদা অশিনবা মনা-মশিংগী মরমদদি পকনদে। করিগুম্বা পোথাবা কংলকত্রগা মতুংগী লাইয়েংদা অরাবা ওইহল্লি। তোয়না থোক্তবা লাইনা ওইবনা অকনবা হিদাকা য়েৎ-রুরগা অনাবদা অরাবা হাপচিল্লি। লাইয়েং অসিগী মরমদা অকনবা হিদাকনা ফবা ওমহোৌত্রগা মতুংদা অরাবা ওইহল্লি।

(২২শুবা শরুক)

ভুত মথল অনিগী হিদাক।

তিম্বুনাপু লীলথাঙ্গা চীকপদি মতম খরদং ঈ থজিক্তং থোক্লমই। মতম খরগী মতুংদা য়াথুল অহু মাংখিবমিনা উবদা মপুং ফানা উবা ওমহোৌদে। হিদাক অহানবা থাবা মতমদা য়াথুল মপা চানা য়েঙ্গুনা হিদাক থাগনি। হিদাকী মরম অহাম্বদা কাবির অঙ্গোৌবগী মনাপা সেবোং লীলমানবী মনানে মরম অনি অসি কুপনা তকতুনা য়াথুদা থোমলগা ফিনা পুন্দুনা থমগনি। মথং শগোলহিদাক অমুবী মনাগা হিদাকপু মহিগা মুম্না ফুৎতুনা হুনা পোমলিবা মফম মথৈ মোংবদা অমুক থোমনা চুমিনাংবাইদা অমুক কাইরগা থোক্তুনা ক্ষীমৎ থুম্বিংগী থোমহনা হোৎনপনি। চিক্লাকীদি মথক্তা হক্লী চাক-হেনশিং অহুনা পিজ পিথক্তনি। লাইনা অসিদি অহানবদা হিনাক্ত

নিংথিনা হোৎনহৌরবদি মতম থোইনা শাংথগন্দে। লাইয়েং থিংনহৌ-রগা মতম শাংথহল্লি। চৈনাখোল থুমা কংব্রবসু হেক শোকপগা হোৎনহৌববদি খুদোং চাহৌই।

(২৩ শুবা শরুক)

নাবিল জাৎ অহুম।

নাবিল মথল অহুমনি লাংনাদা তোংহুনা লৈবা যন্না পিকপা মচু শংবা অসিনা মহু কনবা হেল্লি। চীংগী উ লেপকং উক্রোং অহোবদা লৈবা মচু ঙৌবা থোইনা চাংদে অসিসু মযাই ওইনা মহু কুল্লি মতুংদ তপা কাই। অহুম শুবদা মচু শংবা নাবিলদি চাওই মসিস্ন মহু থোইনা থুজিন্দে অতুম্নদি ওইবগা মহু ফনা তপথহনসু মতম শাংথনা হিদাক শিজিন্নরুবা ওইরগা হিদাক মরমশিংগা চান্ন-গন্দে। লাংনাদা লৈবা অসিদি য়াম্না লিংজেল খাবা মহুনি। ইমা কৌবা নংব্রিবা পোৎশকনি মিকুপ নাহমশিংনা লাইয়েংহৌগদবা লাই নানি। অমসুং লাইনা অসিবু মরম থংনা হোৎনহুনা কনবা যাহৌরবদি হুই লাইয়েং মবমদা অমসুং খুদোং থিবা কয়াদা মতেং ওইহৌগনি হায়না গুরুশিংনা শিন্নবিবস্নবা য়াথং অমনি মমিং মান্নরবসু মহুদি থেন্নবা কাবা ওইবা মরমনা লাইয়েংবদা ক্বান্নবা অমসু' থিন্নুনা হোৎনরুরগা কননবগী মরমদা শাংথহল্লি।

(২৪শুবা শরুক)

ন্যারিগী হিদাক।

নাবিলনা চীরুগা অহানবদা মাইয়োকনহৌনবা হীদাক লম্বু চংবীগী মরু শিংজিত্তা শিংলগা শগোল হিদাক অমুবগী মনাগা শুগাইদুনা ভিন্নবগা মুন্না তোংতুনা চীকফম য়াথুন্দা থোন্বিগনি। নোংমদা অমুক অমুক থোম্বা মুংথিল মুমিদাংৱাইদা অমুক লৌথোকতুনা থোন্বিগনি। শগোল হিদাক অঙৌবগা ময়াং হিদাকমনা তরেংকা চফু তমদা মুন্না যুংলগা য়াথুন্দগী অকোইবদা হুনা ফংবা মফম অমু মইখ যোমতুনা থোমগনি। চংবীগী লা মৈদা যাইরগা য়োমদুনা

বিনা পুন্দুনা থমগনি। কবিগুন্সা যাথুল অমগা অনিগা চীকতুনা হীদাক মবমশিং অসিনা মহু চুপথোকপা চীংথোকপদা। মপাঙ্গল ৱাংলরুবদি গুরু কপাদগী শেনজবা হু মখল কযাবু চুপতুনা লৌ-থোকপা ওম্বা হুগী মগুন মচ কপু লাইনা মাংহনবা ওন্নকলিবা হুজম হাযনা কৌবা হিদাক অসিনা অমুক্কা মতেং পাংদুনা মকম খুদিংদা তিন্নদুনা হিদাকশিংগা লোইনদুনা তৈবা থোম্বা তৌদুনা লাকনরগা অৱাবা কোক্রুকই। মপাঙ্গল লৈবা মহুশিংবু হুজম্বা হিদাকনা মতেং ওইবা ফংলকই।

(২৫শুবা শরুক)

তাংলৈ জাৎ অহুগী।

তাংলৈ জাং অহুম শুই তাংলৈগা ৱাচেংমানবীগা ২ অসিদগী মকোক ওাংবা তাংলৈনা চীকপদি পুংখাই অমগী মনুংদা হুগী চৈথেং

শীবা হৌরকই । চৈনাখোলগী মতুংইন্না মথং মথং অরাবা হাপচিল্লি । মীং উরক্তে কোক ভাওহুনা মীনিল তাবা য়ারক্তে । ওখোক হুন্দোক্কদবগী তৌরকই । অমসুং ঈশিং তোইনা তোইনা তগী মৈচাকনা কৌরগী থরা অনা খাদনা অরোইবা ফিভমদা পংথরকই । মতম অমত্তু য়ৌরকখ্রিভেদা অহানবদা য়াথুন্দা অক্তোং মনাগা সেবোং লীল মানবী মনা ফংব্রগা পাম্বী অকংবা ওইরবসু পোৎলম অনিসি কুপ্পা ওহুনা থোমলগা মথক্তা লা মচেৎ অমনা য়োমহুনা কিনা পুন্দুনা থমগনি । মতুং হ হায়গৎতুনা কোক ভাওরিবা মিং উদহুনা লৈবা মরম পুম্নমক হৌরকনবগী মরমদা তোরবোং শিংলগা ফিক্তেং ২দা তৈরগা কোক লৱাই লেমফুদা অমা লাইবক্তা অমা থোমহুনা তোইনা তোইনা শিন্দুনা থোম্বীগনি । হায়গৎলম্বা মহ মনিল ওইনা থোরক্লগা হৌরকই ।

(২৬বা শরুক)

কু মথাক শেংহন্নবা ।

চকু অহনবা অমদা শংব্রেমনা খুদাপ অনিরোমগা উয়াঙল মনা খুদাপ অনিগা ময়াং হিদাক মনা অহমগা ঈশিংনা মহি ওইহুনা লারোল তরেৎনা মখুম খুমহুনা মুন্না ফুৎকনি । মুল্লবা মতমদা মখুম অহুদা মখুল মচা অমা হুৎতুনা ফিবুল অনিনা শিল্লোন শিঙ্গিন ভোহুনা হনা য়ৌরবা মকমশিংতুদগী হৌহুনা হৃ হৃনা হিগা য়ৈথগনি । নোংমদ অহুম মরি কু য়ৈথগনি হনা য়ৌরবা মকমশিংতু নোংমা

নোংমগী হৎন্নবা কয়কই অমস্থং তাংলৈ মকোক ওাংবগী হৃদি কন্নগা করিগুম্বা য়াথুলদা য়াম্না থুনমক্কি পুমথংগন্দে। অহুমদি ওইবগা থিং-হৌবা য়াত্রবদি মতম চো । মরম অমনা হৃনা ঈশিংবু কৌরক্রবদি অইংবা ঈশিংদি শম্নকুরগা ১দুং পিথকম্নুরগা হৃগী মতেং ওইখিবা তাবনা থিংবিহৌগনি। চীপ্পাকী মরমদি মথক্তা হৃগী চীপ্পাক চাকহেন য়াওখিবহৃনা মবম কাইদনা পিজ্জ পিথকনি। চীপ্পাক্তা হৃ চাক মাংপ্র-বদি মতুংদা লাইনা মখাক লৈহৌই।

(২৭শুবা শরুক)

হৃ চাকমাংহন্দনবা।

মহু কাবা লীলনা চীক্লগা মহু শেংফাত্রিঙৈদা কববানি ধন্দুনা চাকহেন মরম ক্বাইরুবগা অনাবা অত্নুনা ফবক্লবা মতমদা চীপ্পাক কাইখিবগী মবমনা লাইনা মংং অমনা অন্নাবা ওইহল্লকই। চাকমাং-প্রবদি মতুংদা লাইনা খুদিংদা অহৌবা অমা ওইহন্দুনা লাইনা মওং খংহন্দে মতম অত্নদা লাইনা কয়াগী হীদাকস্ম চানগন্দে অসিগুম্বা খুদোংথিবা অসি থোক্তুনবগীনমক লাইনা শেংফাত্রিঙৈদা চীপ্পাকী মবমদা তেকশিনহৌগদবা লাইনানি। অমস্থং মহু কাবশিংনা চীকপদি মচা পোকপিশিংদগী অমুক হেন্না চাকহেন য়াৎনা পিজত্নুনা হোৎনৈ। লালগী হৃগা পকনদবা মবমদি ফকপাইগা মযাংবগা পোৎলম অনি অসিদি চহি অমবোমদি থিংবা পিজদবা অসিনা মতুংদা কান্নবা ওই। যাবিবমথৈ মহু কাবনা চিক্লবদি নৌরিঙৈদা শেংনবা শেংনব। য়েংহৌ-গনি নত্রগা হৃগী মবিক অমতং পন্দূনা লৈহৌবগা খুদোংথিবা ওইবক-

পনা অহানবগী লাইয়েংদা য়াবমথৈ শেংহৌনবা হোংনহৌনবা হোং-নহৌগদবা লাইনানি ।

(২৮শুবা শরুক)

মহু কনবা খোইশিংনা চীকপগী।

—:(০):—

মহু কনবা খোইশিংগী মনুংদা চৈনাখোল কনবা খোইদি চারেংখোই অমসুং খোইবিনিংথৌ পোৎশক অনি অসিনা চীকপদি মহু কাবা খোইগী মনুংদা শিংথানবিবা পোৎশকনি। অনি অসিগী মনুংদা অমনা চীকপদা থাংক্লম থংদবা মৈচাক থংলিবনি। অমনা চীকপদ য়াব্রিবা পোৎশক অসিগী মনুংদা মযাম চংহনা চীক্লংদি পুলি ফাওবা মাংহনবা ঙম্বা পোৎশকনি । অমসুং অমনা চীক্লগ কাবা হৌ মওং হকচাং অমসুং মাইনাচিংবদা চীক্লংদি হকচাং শিনা' থুনা হনা চাইথোকখিবনা নিংখম চন্দুনা হৌবকই ' মতুং ল ... হৌহনা হকচাং পংথবকই লৈযেং ফাহুন। মবোল ফাওবা ক ইহৎলি খোইরেল খোইমাং য়াখোইনাচংবনা চীকপসু অরাবা থংলনি। অতুয়াদি ওইরগা মতম খরদং য়াথরগা ফবরই ।

খোইগী মহু হাংনবা হিদাক চিংযকলাবা পান্থীদগী মনা অম খুবাক্তা নোইখাইরগা মকম খুদিং তৈবী-নোইবীহৌরবদি চাইহুনা চৈবা মহু খোমজিন্দুনা পোথাহনবা ঙমই ।

(২৯শুবা শরুক)

খোইগী মন্ত্র হাংনবা ।

চীংক্ষক লাবা কংব্রগা লফু চংবীগী মকা শুমহ্নুনা মহি পরামখাই মুক্তা হীদাকপু অবিবা মহি পৌরা ১ হিদাকমনা অয়াকপা ৪বোমগা চফু অমদা মুম্বা ফুংলগা মনিল অহুনা হকচাং পূম্বা হীগা য়ৈবিরবদি অচিক অশা থাইজুনা হুম্বকই অমম্ভুং পোত্থাবকতুনা তুমথরকই । করিগুম্বা কোক ভাংবা লূম্বা তৌবগা চহাও পোইরিতোনগী চেং মুট অনিবোমদং ঈশং অহৈংবনা চাম্লগা চেংহি অহু ফি মচেৎ ২দা লুপ্লগা লরাই লেমহ্ন লাইবক মফম অনি অসি খোমহ্নুনা তোইনা তোইনা শিন্দুনা খোমগনি। অশাবা মনিল লৌথোক্লবদি মহু মথাক লৈহৌবা শুমদে মতুং যাংব লাইনা মথাক লৈতনা ফবকই । করিগুম্বা মহ ফনবা খোইনা মথামে চংহুনা চীক্লবদি অতানবদা পোৎলমশিং অসিনা খেংলহুনা হেৎনহৌরবদি অরাবা মৈচাকপু ইংংনবা ঙমই । খোইনা চীকপানি হংযহুনা লাইয়েং খুদোং চাহৌদবদগী মতুংদা খোইরাই হৌহ্নুনা চীকপা শাবনা থাংবা ঙমদবা লাইনা লাইথুং ওইহল্লি ।

(৩০শুবা শরুক)

উচি মসুং হৌদোংনা চীকপা ।

হৌদোং উচিনা চীকপস্ত নুপা নুপীগী ওই য়েত্তা শিংলি মীহুলফম লোকা চীক্লপা কাংবপা হাদি য়াম্ম ঈনা তপ্পা বাই । অহুমনদি ওইরগা পোংশক অনি'সনা চীকপদি অমাম্বনা খোইনা লাইয়েংদহুনা

কখিবস্থ য়াওদবা নত্তে। অতুম্নদি ওইবগা করিগুম্বা মহ অহুনা চাই-থোরকতুনা কারকপা মতমদা লাইযেংহৌত্রগা অরাবা ওইহল্লি। চৌঙাকি মবমদস্থ থোইদোক্লা কামনা চাকবা ওইবগা পকদত্রনা হৌরকপা লাইনাদি খুদোংথিবা ফংনবিবা মহুনি। লাইনা অসিনা ওইরক্লবদি মহ ক'খিদ্রিগু অহাযদা চিকখি চিকখিবা য'খুন্দুদা কুম মনা শুরগা থোমহৌগনি। উযাঙ্গল মনা খুদাপ অনিলোম যুংলগা মযম শ হুদা হন্দনা হিগা মৈবিহৌববদি মতুংদা অকাইবা ওইথিগদবা পুম্নমক ঙক্তৌ কনহৌবা ওম্বা পোংলমনি। মতুং অবোইবদা লকু চংগী মন্ড ন লাযান অনৌবা অত্তকুপন শ গা যাখুলগী মকম অকোইবদা পোম্বিববদি মহু মথাক পনং চৈনৌনা লাইনা শেংহৌই।

[৩১শুবা শরুক]

হুইনা চৌকপগী।

মহু কাবাশিংগী মন্ডদা চহুইনা চৌবপগী হুনাইন অসিনা ... ইতোপ তোম্লা ওইনা তৌই। লুইগী মহি চৈন খোল থোইনা কন্দে মহস্থ ইন কাবা মহন। বনিগুম্বা লাইন হৌ ক্লবনি পাংগং-বগীস্থ ফমশেন্নবগী অরাবা অমনি। হুইনা চৌক্লগা ডাংদবনা চৌকপনা খন্দুনা লাইয়েংহৌদবদগী অকাইবা মবম ওইথিহুনা খুদোংথিবা ফংনবিবনি। হুইনবু চৌক্লবনি লাইয়েংবিহৌগদবনি। অঙাওবনি ঙাওদবনা চৌকপনি অমসুং য়াখুল যাম্না নৈবা য়মদন নৈবা মহু অম্নানি। থোইনা খেন্নদে ঈ খজিক্তংবু থোকলবদি খোংপতনা মহু

কাদুনা অৱাবা ওইহল্লিবা মহুনি। কুবিগুম্বা ঙাংদবনা চীকপনী খুদ্রুহনা চাকহেন কাইথিবদগী হুগী মতেং হাপচিনবা ওইখিদুনা লাইনা অরুবা ওইথোকখ্রিবনি।

হুইনা চীকপগী মরমদা পিজগদবা চীঙ্গাক্কী মরম হু চাকমাং হন্দনবা অসিনা পিজ-পিথক্কদবনি। হুইনা চীকপদি থা ৬ লোম হৱাই অচার পিজবা য়াদে। যাবা মথৌ কন্না থিংবিহৌগদবনি।

(৩২শুবা শরুক)

হুইগী মহু কনবা মতম।

নীংথম থাগী মনুংদা হুইনা চীকপদি মতম অতৈদগী খবা হেন্না হেন্না চেকশিনবিহৌবা কান্নে। মহু কাবাসিংগী মনুংদগী ইতোপ তোপ্পা মহু জাৎ অমনি। লীলনচীংবা অতৈগী মহুদি অশাবা মৈচাকনি। হই মহুনা অথিংবা মহু ওইবনা হবচাং নিংথম চলহন্দনা লুমনা হবচাং শানা লৈহল্লগা কান্নবা লাইনানি। হুইগীদি নিংথম চংলকলগা মহু কনবা হেল্লি। হুইনা চীক্লগা নুমিৎ অহুদগী ১৫নী রোম অথিংবা পোৎ ঈশিংনচীংবা শন্নহন্দবা ইকুজহন্দবা য়াদবা মরমশিং থিংবীহৌগনি। কবিগুম্বা চাবা চীঙ্গাক্কগী অকাইবা ওইথ্রগম্মু লাইনা অমা ওইবকই। লাইনা অসিগী লাইথেংদুনা যাখুল কংহল্লগা ঙাক্কা কবা ওইদে হাইবসি খংনবিবা মবমনি। লাইনা অসিগী মরমদা অহানবদা পুক্লিং চন্না হোৎনবীহৌগদবা মরমদি নৌরিঙৈদা য়াখুল ভদ্র কংশিল্লিঙৈদা হোৎনহৌগদবা অরবা লাইনানি। থুপথ্রবা

গুরুসিংনা হুইনা চীকপদি চহি অহুম থা অহুম হেল্লগা থাজনরিবা লাইনানি খংহনবিবমই ।

(৩৩শুবা শরুক)

হুইগী লাইনা হৌরকপা ।

হুইনা চীকপগী লাইনা অহানবা হৌরকপদি থরদ' শাগৎলগা নিংথম চন্দুনা হৌরকই । মহৌশা তৌদবা মবম ১ ওইবকই । মরম ইচা চাদনা অশাওবনা মাংওইনরকই । মতম অদু ওইবক্রুবদি অনাবা অহুবু থেমহুনা মবুক তপথনবা হোৎনহৌবনা অহানবগী লাইয়েং অহৌবা অমনি । মতম অদু ওইরকলবদি অনাবা অদুবু কিহন্দুনা লাও খোংহুনা শাওহল্লুরবদি মথোই হেন্না কাহন্নবগুম ওইহুনা লাইনা লাইওং মথং মথং হাপচিল্লকুনা লাইয়েংবা অমসুং যমশেন্নবগী অরুবা মতম অমা ওইরকই । লাইনা অসিগী মরু ওইনা য়াখুলদা মহি মচুম লৈরিতৈদা য়াবা মথৈ য়াখুন্দা চুপথোক চিংথোক্‌না য়েংহৌত্রবদা মতুংদা য়াখুল কংখ্রগা হৌরকপা লাইনাদি কনবা য়াদহুনা পুন্নি মাংনখ্রিবনি । হুইগী লাইনাগী মরমদা লুরিবদি অহানবদা কঁরম তৌদনা ফরবনি থন্দুনা লৈথোকলুরগা হৌরকপা মরম ওইবনা অহানবদা চেকশিনহৌগদবা মরমনি ।

(৩৪শুবা শরুক)

হুইগী লাইনা ।

হৌজিক হুইনা চীকপগী মরমদা সমজিন্না খন্দোকলুরগা খুদোং থিবা য়াওথিবগী খুদম কয়া লৈরক্রি । হুইদি মপুমকপু শান্নবা ওইনা

থরদং চীকথিবদগী থৌশাহৌদতুনা মতম শাংলকলগা লাইনা হৌরক্তুনা মপুমকপু পুন্সি মাংহল্লি। করিগুম্বা চীকপবু চীকলবদি হইবী/হইনাও মহু অমর্তনি। অত্তাওবা ভাওদবা মহু থোইনা খেন্নদবা অমনি হাইব-সিগী খুদম শেংনা লৈরকলি। অমসুং লাইনা অসিনা হৌরক্লে খংগ-দবদি অহানবদা অশাংবনা মাংওইনতুনা রাঙাং রাভানচিংবদা কাইরগা ওইনা ভাংবা হৌবকই। মতম অদুদা ঈশিং উহনবিগনু উথ্রগা শাংবা হেক্সিল্লকই। মতুং অরংবা পোৎ মৈনচিংবা উবা য়ারক্লে। উহন্নুবগা তোইনা তোইনা খোর মপি হোন্দুনা অথংবা হৌরকই। মতুং অশাওবনা হেক্সিল্লক্তুনা অকাইবা মরম ওইরকপনা ফা-পুন্দুনা থম্বা নত্তনা তৌনিঙাই উপায় লৈব্তে। মতম অদু য়ৌরক্লবদি ফম-শেন্নবগী মবমদা চেকশিনবিহৌগদবা মতম অমনি। অনাবা অতুনা শোক-পন্দুনা ঈ থবদং থোকখ্রবদি অরুবা মতম ওয়রকঈ।

৩৫ শুবা শরুক)

হুইগী লাইনাদা শিবগী।

হুইগী লায়না হৌরক্লতুনা ফা-পুন্দূনা লাক্লরিবা অনাবা অতুনা ফমশেন্নবদা চীকপা-খোৎপদগী ঈ থরদং থোকখ্রবসু খুখাং চীকথিবনা অমুক হেন্না লূবগী মরমস্থ ওইদবা নত্তে। মতুং অনাবা অদু লাকন লাকননা পোত্থাবা লৈতনা অকনবা থোল্লাও তোইনা তোইনা লাও খোংলমলগা মপাঙ্গল শোম্ঘথিতুনা তুমিন্না লৈখি। থকপা চাবা

য়ারক্লোই য়াদা কোজোন থম্না কারগা নংলবা মতিল অতৎপা নাই-দনা চেম্ব চোথবা হৌরকই । মতম অদু ওইরক্লবদি মতম শাংথদনা পুন্সি লাইনা মাংহল্লি। হুইগী লায়নানা হৌবকপগী মুমিৎ ৫নি নত্রগ' ৭নিদগী হেনগন্দে । হুইগী লায়নাদি ক্ষবে হায়তুনা পুকনিং হরাওনিংঙাই ওইদবা মরম ওইবনা চহি অহুম থা অহুম হেল্লগা থাজনবিনা লায়ন' অমনি। হুইনা চিক্লগা েকশিন্না লাইয়েংহৌগদবা মতমদি য়াখুন্দা মহ লৌথোকপা য়ারিভৈদা হোৎনহৌগদবা লাইযেংনি । অহানবদা য়াখুন্দা অজোৎমথোম নত্রগা কুমমনা শুবগা থোম্বিহৌবা কান্নে '

(৩৬শুবা শরুক)

হুগী মপাঙ্গল কনবা মতম ।

মহু কাবা পুম্বনা চক্লগা মহু কন্ন' কাবা মতম অয়ুক্কী পু' ১০দগী ১২গী মনুংদা চীকপনা মহু হেন্না কাবা মতমনি । শি'ল মীহলদম শোকনা চীকপা অমগুং য়াধুলগী মবমনচিংবা কুপনা সে'লগা অরুবা অরাইবা ওইরমলিবা মওং মতুংইন্না হোৎনহৌদ্রগ মতুংদা নিংঙমদবা ওইবকই। য়াখুল যাম্না লৈবা যামদনা লৈব ' অসিগী মরমদগু অরুবা মরম অমনি। মহ থুনা কাবিবসি হুঙৎনা চীকপনা থুনা কাবা হেল্লি। হুম্বনা চীকপদি মহ কারবমক্তদা থবদি থিহে অমগুং হুপা হুপীগী ওই য়েত্তা মকম শিংলি অরুবা মকম "শোকনা চীকপা অসিনি লাইয়েংবা মতমদা অরুবা অরাইবা মরম

খেন্নরিবা অমসুং লুশিনখ্রিবসি মরু ওইনা অরুবা মফম শোক্‌না চীকপদগী ওইখিবা মরমনি । মহু কাবশিংনা চীক্লগা লাইয়েং লাই-য়েংনা মী বযাগী পুন্সি মাংখি । লাইয়েংহৌহ্নুনা মওং কাইদনা কয়া মুফহ্নুনা লৈনরি । মথম অসি ওইবনা হৃগী লাইনাদি মরম কুপনা লাইয়েংগদবা মরম অমনি ।

(৩৭শুবা শরুক)

[illegible]লৈনা চাকতুনা শিবা অমদি হাংহৌবা ।

[illegible]গী মহুদ [illegible]কনিংঙাই ওইব মহু অমনি । করিগুম্বা অনাবা [illegible] [illegible] ঙম[illegible] । হিদাকনা অনাবা অমদা অ[illegible]ক শিজিন্নবদা কনবা [illegible]ব্রবা মরম অমনি । লায়না অসিগী লাইয়েং হীদাক্কী মথমদসু [illegible] চানঙাই [illegible]হৌবা মরমনি । লাইনা অসিগী মথমদা [illegible] য়েংনা অনৌবা ঙ[illegible] খোনবগী মতম শতুংইন্না অহানবগী হিদাক [illegible]নিংবদা মথক মথা ওন্নখ্রগস্ত খুদোং খিখিদবা নত্তে । হীদাক্কী [illegible] অমগা [illegible] গ মবি লৈনদবা পেশলমশিংগা শকনবা শম্নবা মবৈ নগন্দে ।

মতকনবা লীন্দু অমসুং থাওবৌ অনি অসিনা চীক্লগা লোইনা শ[illegible] নত্তে হীংহৈহ্নুনসু লৈংহৌরিবনি । অকনবা মহুনি খংনরিবা ঙাৎ অসিনা চীক্লগা লাইয়েংহ্নুনা ফনহৌবিবনি অমসুং লাইয়েং লাই-য়েংনা হেক্তিনখিহ্নুনা কনবা ঙমহৌদবদগী পুন্সি কয়া মাংখিদবা নত্তে । যাম্না চীংননিংঙাই ওইরিবদি হীংহৌরিবা অসিনা মরম কমদৌনা হীংহৌবনো অসিনি ।

(৩৮শুবা শরুক)

মীলনা চীকতুনা খোং-খুং কেনখিবা ।

——:(•):——

মরম অমনা মীলন চীক্লগা যাখুন্দ হন, শাইদেকতুনা পুমথরক্লবদা কনবা হুমহৌদতুনা খোং-খুংনচিংবা তংপা কনবা ওইখি । লাইয়েংনতুনা তংপা কেংবা তৌদতুন [illegible] কিভম কায়দনা কহনা লৈনরি । য়াম্না কুপ্পা [illegible] মহ, মহ কাবনু খেয়দবা চৈনাখোলসু মাম্নবা মহ [illegible] [illegible] [illegible] মওংদগী হিংহনা লৈহৌবা অংকু [illegible] কু [illegible] [illegible] [illegible] লিপ্রিবা মরমনো অমম্ভং লাইযেং শোনবদগী [illegible] [illegible] হায়বা অসিগী মরমদা থঙনিংঙাই ওইবা চিনব পোকপগী পুরন অমনি । মায়না অসিগী মরমদা নোংমগী মনুংদা পোথাহনবা, [illegible] অকবা মতম ওইরক্লিবনা নোংমদা পোথাহনবা [illegible] [illegible] জল্লুনা থবগী শরুকা য়াম্না থুনা থাদোকহৌবন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মমল নায়রবা পুন্সি কলহৌনবগী মরমদা চেকাশনবা [illegible] লাখনানি ।

(৩৯শুবা শরুক)

মতম থেংনা অমসুং চুম্না থেংনবগী ।

মীলনা চীক্লগা কয়নবগী মরমদা অকবা লায়য়েং মতম অমনি । [illegible] মরমদা মশিল কয়া চংনিংঙাইবি । নারিবা মওং মতৌগী

মতুংইন্না অহানবগী হীদাক থাবা শিজিন্নবা অসি অরুবা মতম অমনি। লুদবা য়ারকত্রিবদি মতম খেন্নরিবসি মরম অমদগী নি। অহানবা শোকপাগা খেজবা মতম অমা, অনিশুবদা ন্নোংমগী মনুংদা অথেবা অঙনবা খেন্নরা খেংনবা। অহুমশুবদা নোংমা লেপ্পগা খেংনবগী কিভম মওং মতুংইন্না অমসুং পুংশিং খেন্নবগী মতম য়েংলগা হিদাক শিজিন্ন হোৌগদবা মরমনি। হিদাক হায়বসিগী মওন্দি খেন্নবা মবম মৈবনা অনাবা অমবু অরাবা কোকহল্লিবা হিপাবনা অনাবা অমদা শিজিন্ন-রুবদা রুবগী শরুক্তা অরাবা হেন্না হাপচিল্লুবা ওইখি। মরম অসি ওইবনা যনা রুবা হিদাক ওইহনসু লীলগী মহুদি মতম ১সুং পুংশিং গী মতুংইন্না মৎং য়েংহনা হোৎনগদবা লাইনা অমনি।

মহু কাবা লীলনা চীকপদি য়াখুন্দা য়ায়' থুনা মুশিল্লকই। লাইনা অহু কনবদা অরাবা লাইনা অমনি থংনৈ। য়াখুন্দা মুকক্রিবা হু অহুনা লু-ভোং শিংলিদা চেনবা ঈগী শরুক্তা ঈশিং ওলহল্ল। ঈশিং ওল্লবা হু অহুনা অমুক চাইখোবকতুনা থেংনববা মফম চখে মথং, মথং ঈ হাৎতুনা ঈশিং ওল্লবা মতমদা মফমশিংহু মৎং নাইনা শিখহুনা চাংনে' পোমখোকই। মতম অহু ওইবরবদি হুগী চৈনা-খোলনা হুপ্পিল্লকতুনা থাংবা ভমলতহুনা লাং-খোংহুনা থাংলমলগা পাংথরকতুনা জ্ঞান মাংথরকই। মীহুলগী মবমদসু পিকশিন্দুনা শোন্থ-রকই। মতম অহুদা চাইহুনা মৈবা মহুশিং অহুবু হ দাবী মশুন পাক্সনা থারোমদা পুথবা ভমহৌবগা নোংম নোংমগী হুবকতুনা অমুক কহুনা মীরক তিনবা কাংলকই। কবিগুন্না হুনা থুমগৎপা

ঙমগ্রগা হীদাক মথল কয়াবু চাকথেক্লগা মাংহন্দুনা পুন্সি লাইনা মাংহল্লিবা মহুনি।



মসঙ্কী ফোটোদা উৎলিবা নিপামচাসি লাইবক থিবা অঙা নি, মখুত্তা থাওরোনা চীকপনি। খুদোং থিংক্লবা শিবা তাবক্লবা মতমদা মতম থেংনা লাক্লগা থেংনজহুনা ঈশ্বরগী কৃপাদগী অমুক হিংহো-রবনি। অমম্বুং হীংবমক তাববদা হুনা চাকংক্লখ্বা মফমশিত্তু পুমথরককতুনা মতোং লোইনা লিংথাইশিন্নুনা শরু ভাকত ভাইবক্লহুনা তংখিবা কেনখিবা তাবক্লবদা গুরু কৃপাদগী অমুক কবক্লহুনা মযুমদা হক্ষখ্রবা অঙাংনি। অসিগুম্বা খুদোংথিবা অসি ৫ই থিদনবা অহানগী লাইরেংদা ১স্বং হিদাকী মরমদা হেকশিন্না হাংনহোগদবা লাইয়েংনি।

[৪০শুবা শরুক]

য়াখুন্দা লেন্দূনা ঐ শুমদোকপা।

মশু কনবা লৌলশিংনা চীক্লগ কান্নহৌনবগী মরমদা য়াখুলগী অকোইবদা মকম কয়ামুক থাংনা য়াংতুনা ঈ শুমদোক্লগা লাইয়েং-লুবদগী খুদোং থিখিবা কয়া ওইনরক্নি। মরমদি লৌলগী হনা কাবদি হেক চীকপগা য়াখুন্দগী হৌদূনা মকম অকোইবদা হুগী মৈশা মনিল চাইথোকপা হৌবকই! মতুং মথকলোমদা মহুশিংদু হায়গৎলকূই। ল ইনা অসিদি হেক শোকপগা লাইয়েংবগা মতম নকনা থেংনহৌরক-বদি অমসুং মতম শাংথরগা থেংনবা মতমদা ঈ শুমদোকতুনা হোৎনকবনদি লোইনা মহু জৌথোকপা যাবোইদৌবনা হু মখাক পন্দুনা লৈহৌবা ভাববানি। করিগুম্বা অনাবা অহুনা হীংবমক ভাববদা যাংথাই থিনগাইখিবা মভমশিং অহুদা লুববা মতম অমুক ওইবক্লিবদি অমুক অপনবা লৈতনা পৎপা পুম্বা ওইবকতুনা হীংবা শুমহৌদবনা থোং-খুৎনচিংবা ভৎখি কেনখিদুনা অরাবা ওইনবক্নি। মতম কয়া লেন্দুনা লৈনম্নিবনি। লাইনা অসিগী মরমদা শমজিননা লাইয়েংগদবা ওইদে।

যাখুন্দা লেনথাইদুনা লাইয়েংবসি লৌলনা চিকপগী মরমদদি মুন্না খম্মহৌগদবা অমনি। করিগুম্বা তৌনিংবা মরম কয়াদা হোৎনবন্থ কান্নকম ওইবা মরম কয়াগী লাইয়েং লৈতবা নত্তে। অতুমনদি ওইরগা মতুংগী মরমদা খম্নহৌগদবা মরমদি লাইযেংদুনা কস্রবদি থোইনা অকাইবা ওইদে। করিগুম্বা কাইহৌরুবগুম থোকতুনা মতুংগী

মরমদা থিংহৌবা ওমহৌদ্রগা অনাবশিংগীদি হেক্কদুম লাইবক থিবা ওইথিবদি লেংত্রবা খুদম অমনি । লাইনা অসিগী মরমদা য়ারিব মখৈ য়াখুল মকমশিং অদুদগী অওবা পাথৈ হিদাকী মতেংতনা হোৎনদুনা মপোপ কাইদনা মহ চিংথেকতুনা লৌথোকপা য়াহৌরবদি করিগুম্বা পৎপা পুম্বা ওইবক্রবসু মতুংগী লাইযেং মরমদা খুদোংচাবা ওইহৌই । লীলনা চীকপগী মরমদি যাখুল অদুদবু শেন্নবদা লুনা থোক্লিগনি । অমুক্কা যাৎতুনা ঈ লৌথোকপা শুমদোকতুনা লাইয়েংবগী মরমদি খুদোংচাহৌদ্রগা অরাবা হেন্না ওইথিবসু যাদবা নত্তে।

কবিগুম্বা যাৎথাইকবা অদুসু ফাজনবা যাদদুনা ঈ অশিবা চংদুনা মকুং মতোং ওইনা লাইতন ওইদুনা মতুংদা লাইযেংবা যাহন্দদুনা মতম লেন্দুনা লৈবা তাবকই অমম্বং মহ কাবা লীলগী জাৎসু মওং মতৌ শান্নদবা মশক মচু থেন্নবা ওইবনা মহ কাবগী মরমদসু খেন্নবদি ওইকম থোকপনা । লীলনা চীকপনি খন্দূনা মহৌশাগুম্বা লাইবগী মরম ওইনা লাইযেংবগা মমল নাইদ্রবা মপোক অসিগী মমল যাওদ্রবা ফীবেপ্তা মতম লেনবা তারক্লবনি । লাইয়েং অসিগী মরমদা মওং মতৌ কাইরক্লগা ম' মথংদা সেবা মথল কয়া কংজরকপদগী অমম্বং মবাইবক থিবা কয়া গুরু কৃপাদগী মবাইবক ফখিবা লাইনা লাইৎং কয়াদগী ংস্কুং ওইথিব। মরমনচিংবগী লাইয়েং মথলগী খুদমনি ।

লৌল মখলশিংগী জাৎ।

চহি খুদিংগী ওইনা মীওইবনচিংবা জীবশিংবু অপনবা পিরিবা মহু পুবশিংগী জাৎ অসিনি।

১। লৌন্দুগ' লৌন্দু চবাংগা জাৎ অনি শুই। মহুম খেন্নৈ।

২। খাওবোগা ঈশিং খাওবোগা চীং খাওবোগা জাৎ অহুম শুই. মহু লোইনা কুল্লি।

৩। নাবিল অচৌবা মচু শংই, নারিল মচা মচু শংই। নারিল অচৌবা জাৎ অহুম শুই। মহু কাবা খেন্নৈ।

৪। তাংলৈগা রাচেৎ মানবীগা মকোক ওাংবগা জাৎ অহুম শুই। মহু মান্নদে।

৫। তিপ্পুনাপুগা লীলখাক্কা মহু অনিসি মান্নৈ, মহুশু তপ্পা কাবা মহু ন। কাবক্লবদি রাই। লীল মবাম অসি মশক মচু মান্নদবা মওং মতৌ খেন্নবগী মতুংইন্না মহু কাবগী মবমদসু খেন্নবকই। লাইয়েং ম মদ পোৎশক অমদা কথিবা হিদাক্কা মহু অমদা পোথাহনবা যাবক্তে। মবম অসি ওইবনা লীলনা চীক্লগা পোৎলম মশিল রাৎনা হোৎনবা ওইকংগা হীদাক্কা চান্নবক্তবদগী হুগী মথোই হেন্না কাখিতুন, খিংবা ভমহৌদবদগী অন্নাবা ফংলিবা মহুনি। হুগী লাইযেংদি খংল-খংলগা হেন্না লুশিল্লকপগী শোইদ্রবা শুদম শিং গুকশিংনা চেকশিন্না শিন্নবিরমলগা হুগী লাইয়েং পথাবনি।



(৪১শুবা শরুক)

লাইরেন ওকনদুনা চিকপা ।

লাইরেলনা চীকপদি লীলনা চিকপগুম্না চৈনাখোল পিদে। অদুন্নদি ওইরগা য়াখুন্দা চাশিন্দুনা পুমথরগা মচুম তাহুনা মতম্ম শাংথনা লৈহল্লি। লাইনা অতৈদা কথিবা হিদাক মরমশিংবা হোং- নরুবদা লাইনা অসিগীদি কান্নকম পিবা ঙমদবনা মচুম তাহুনা লৈনরিবা অরুবা লাইনা অমনি। মহাকপু ওকন-থেংনকুবগা লাইনা জাং মওং কয়ানা অরাবা পিহুনা পুন্সি কয়াবু মাংহল্লি। মাগী মগুণম্ন ঙবদি হকচাং চাওথোকহল্লি কুরোন হরগা হাকচবা চেখাই- হুনা মচুম তাহল্লি। য়াং কংলগা অখিল অবেং তৌহল্লি। অঙৌবা পকপানচিংবা লাইনা মথলশিং অসিনা মীওইববু অরাবা পিহুনা খোইরেল য়োহন্দহুনা লমথাংদা মাংহনবা ঙমলিবনি। লাইনা অসি অহান্নদা মতম শাংদোকত্রিঙৈদা লাইবম ৭না মগুল ডাকলিবা শলাই অরেংকী হিদাক মনা-মশিংগী পোংলমদনা হোংনহুনা শুকশিংন লাইয়েং সেবা তৌবিরমই। লাইনাশিং অসি লাইচুবাকৌই। শিন্নবি রমলবা য়াথংনি।

(৪২শুবা শরুক)

শলাইগী লাইচুবা ।

লাইগী মুংশিং লাইচুবা লাইনা অসিগী মরমদা মৈতৈ লৈবাকী অরাবা কয়াবু ডাকপি-কনবিরমলবা মগুল লৈবা লাইগুমলবশিংনা লাইনা অসিবু কনবিরমই অমম্বং কনব্রিরম্বগী খুদমদি লাইনা অসিনা

নাবা লাইওংদি লাইনা অতৈগা মওং থবা থেৈম্রে। চাবা থকপগী মরমসু মহাও থোইনা মাংদে। পোৎলম পুম্নমক মহাও লোইনা লৈগল্লি। লাইনা অসিগী অরাবদি হকচাংগী ঈ রাৎপগী মরম ওইবনা চাকুবা পুম্নমক তুমদবা শরুক ওইবদগী কিত্নুনা চদবদনি। লাইনা অসিগী মরমনা শেংলবদি চানিংবা শকক্লা খরা হেল্লি। চীল-লৈদা অকাইবা থোইনা লৈতবা লাইনানি অমসুং লাইচুবদি ওইরক্লা লাইনা মশক মসুং মান্নদবা থেন্নবগী মরমদ, লাইয়েং হিদাকী মবমসু থেৈম্রে। চাবা থকপনচিংবদা থেন্নবা ওইনা চাকহেনগা লোইনবা হোৎনমনা লাইযেংবিবমই।

লাইচুদুনা হকচাং চাওখৎপগী লাইয়েং মরম।

——:(•):——

লাইন্নংশিংনা হকচাং নোইথোকপা চাংথোকপা ওইবক্রবদি লাইনা মপুং ফাংবক্লে থনেবিবনি। নোংথোরকপগী মবমদা অরাবা ওইবক্লিবদি ঈশিংগী মবমদা থকপগী অপনবা নাযদনা লাইনিং ওইতুনা মতম লেল্লি। লাইনা অসিগী মবমদা মতেং ওইবা হিদাক্তি শলাই তবেৎকী পোৎলমনা হোৎনতুনা লাইযেংলগা খুদোং চাবা ওই। শলাইগী পোৎলম লাই হিদাক লাইকি লাইগাংগ্রং লাই উতোং লাই-কাবোং লাইকল লাইথাই পোৎলম তবেৎ অসি চফু অহনবা অমদা চীদেল ৭কী ঈশিংনা যুৎলগ হাপ্তা অহুম খব খরদং পিথকতুনা হোৎনবিবদা ঈশিং মবমদা পোথাবা যাবা হীদাকনি। লাইনা চীকপগী যাখুন্দা মাংজোননা লাইগীসু মসুং চনবা লাইপেকক শুরগা

য়াখুন্দা থোম্বিহৌবা কায়ে। অমনা অমুক মুমিৎ ওনি শুবদা লৈহৌ অমুকগী হিদাক মরু মুংদা ঈশিগা তকতুনা মুমিৎ হমনি অমগা য়াখুন্দগী অকোইবদা তৈবিহৌবা কায়ে।

চংহৈ নেৎহৈদবা নেৎপা অমসুং মেললুবা।

লাইফম তিনফম তিনখুন লাইখুন্নচিংবা চংলু নেৎলুবদগী ওই-রকপা থাংবদা য়াবা লাইনা মওং জাৎ অমসু ওজা টবুংতোশিংনা অয়াবা ফংলবা কয়াগী মতেং পাংবিরমই। লাইনা মওংসু লৌগী মহু কাবগুম্না থোংপাক্তগী হৌদুনা মওং নাইদনা চাওনা পোমখাকই চীকপা শাবগী মরমদসু থাংফম থংহান্দ। নোংনা নোংমগী অপোম্বা অদু মপুং কাবক্লগা মচেৎ মচেৎ নিংথাইবকতুনা চৈনাখোল থাংবা ওমলকতুনা পুন্সি মাংনরিবা লাইনানি। লাইনা অসি হৌবকপা খংহৌববদি অহানবদা শলাই ৭কী পোংলম শুনা তিল্লগা মুন্না মুৎ-লুগা মুমিৎ তবেৎনি নোংমদা মতম অতমলক অথুক নুংখিল পুং ৮ রোমদা মুমিৎলাং চাক মতুংদা অমুক পিথর্কপিবা কৈ। পোমলিবা মফমদা হনুহিদাক্তী মনাগা শংব্রে মনা খুদাপ অনিবোমগা মুনদা মুংলগা মনাও থোম্বিবা নোংনদা অনিবক থোম্বিববদি হুন্নকতুনা পোখাবা ফংলকই। লাইনা অসিবু গুরশিংনা লাইচুব লাইনাগী মরমদা মতেং পাংবিরমই।

মহু পুবা লৌলগী জাৎনা চিকপসি লৌমশিদা মশিং খবা হেন্নোকল্লি। মরুওইবদি অশোংবা মফম নাপি মবক্তা অথেংবা অডনব লাইদন চংদবা য়াদবা জিজিম্নবা ওইবনা অমসুং মহু পুবশিংগী

অশোংবা মফমতদা চাক্তাত্না লৈবনা লাইববা লৌমী কযাগী অপনবা পিত্না পুন্সি কয়াবু মাংহল্লি। করিগুম্বা লাইযেংত্না ফবা ওইবক্কব মতমদা চিক্লিবা য়াখুন্দা পুমত্না মতম শাংনা মহি মচুম তাত্না লৈনরিবনি। অমম্তুং চহি অমদি মতম লেন্দুনা লৈবা তাবনা অনাবা ইংগী ফমশেন্নবনচিংবা কয়া ফাজিন পুন্সিন্দুনা অতোপ্পা থবক হোৎনবা ঙমদত্না মতম কযা মাংত্না লৈনরিবনি। অসিগুম্বা খুদোংথিবা অসি তত্না চহি খুদিংগী থোক্লিবনি। অত্নবু থংনা থংনা তৌদবা য়াদবা মথৌ ওইবনা হুগী থয়াৎ মপাদা চংদবা যাবক্কে। য়েকনবা জাবগা তোইনা নকনত্না লৈতবা য়াবক্কবনা নোংমদি খুদোংথিবা ফংদবা যাবক্কে। অমম্তুং লাইনা অদিগী মৰমদা মতম কযা প্রজাগী সেবা তৌভত্না খুদোংথিবা ফংলুবা অরাবশিংগী কন্ননবা হোৎনজবাক্ক। কারগুম্বা লাইনা অসিনা থোক্করগা অহানবা নৌবিভৈদা হোৎনবিহৌনবগীদমক হাদাক্কী মবমদস্থ থম্বা হৌজরে। হুজম কৌবা হিদাক অসিনা যাম্না থুনা মরি লৈনবিহৌরবদি মতুংগী মরম কয়াদা খুদোংচাবা ফংহল্লিনংদুনা প্রজাগী সেবাগীদমক লাইরিক মচা অসি লেংথোকচবনি। গুরুগী কৃপাদগী ঙসি কাওবা প্রজাগী সেবাদা থরাই হকচাং কথোকচত্না সেবা ফংজরি। লাইনা অসিনা থোক্করবদি চাকচেন চিঙ্গাকুনচিংবা মথক্তা য়াওগ্রিবা মবমশিং অসি কাইদনা হোৎনবিহৌরিবদি মতুংগী মরমদস্থ খুদোং চাহৌগনি। অনাবশিংস্থ কান্নবা ওইজবা ফংহৌগনি অমম্তুং হুগী খয়াত্তগী নানথোকপা ঙমহৌগনি খুদোংথিবা লাইনা লাইথেব কয়াগীস্থ খুদোংচাবা ফংহৌগনি।

মহু পানবা জিবশিংনা চৈকপসি কবিগুম্ব অকাইবা মরম লৈবদগী চৌকপা ওইনা তৌই। কবিগুম্বা জিবশিং অসিনা চিবপু চিকে হায়রবদি মঁপুম খুদিং শুনা চৈকপন্থ যারিবনি। খুদম ওইনা ইংখোল খুদিংগী মহু পানবা লীল লৈবিবনি অথেং অঙন নাইদনা চথাক চৎশিন তৌনরিবা ঙাকনি অত্থবু থোক্লইনা হেন্না চৌকে হাযবা যাই। কবিগুম্বা খংদবদগী হুকথেংননা নেৎপুরবা ফাওবদা কবিম্ব তৌবমদনা চৎখ্রিবা জিবনি। কবিগুম্বা মতমদা ফমুংমক্তদা লৈবমহুনা থেংনরবা ফাওবদা চৌকবা যাওরি অত্থুমদি ওইবগা হুকগংগী মমিনা নম্বুববদি অমম্বুং শোকলুববদি এলেকত্রকনা চিংবদোনা থংতৌদনা পাইশিল্লকতুনা চৌকই। কবিগুম্বা থংনা থংনা চাংযেং ওইনা মহুক বা লীল থেংনরগা মিনা নলহনবিগন্থ। মহু পান্বা লীলশিং অসি লাই-নিংথৌ পাথংবগী শলাইগী মনুংচনবা জীবনি হাযতুনা গুরুশিংনা চেকশিন্না তিনথোং লাইথোং মুন্না থিত্নুনা লাইযেংবিরমই।

মহ পানবা জীবঃ— হুই, লীল, লাইবেলনচিংবশিংনা শোক্লগা চৌক্লগা লাইনিংথৌগী অরুবা মকম নকনা ফিজি যিনানা, অমাং অশোই নচিংবা নকলুবদগী শায়োন শালাইনা দশা শোনবা মীদা শোক্লিবনি হাযত্নুনা মরম মুন্না থিজিন্নে। মহু পানবা শোক্লবা মতমদা লাই নিংথৌদা ভমজবা দক্ষিনা লেপতুনা কানথোংদা কৎতুনা থমনৈ। মতৌ অম্মা মৈহৌরোন্দগী হৌনা চৎনরক্লবা লাইয়েং অসিনা কুপা তৌরক্লবা মতমদা লেপতুনা থম্না শেল অত্থুনা মনা মশিং অনৌ অপেন খরদংগা আশোন খুদৈ অমগা পানা তাজা অমগা ধুপ থিগী।

বর্তি অমগা পুকনিং শেংনা ফামথোংদা পায়ত্থনা অথানবা পুম্নমকপু কোকপিনবা খুরুমজ্রববদি মতুংদা লাক্কদবা অকাইবা পুম্নমক লাইথুং মথাক, লাইমন মথাক লৈত্তনা ইবুংঙো মহাকনা কোকপিরিবনি।

মহৃ পানবনা চৌরপগি ময়মদা প্রভাগী মতে চেইহজ্ঞানি হুনা
লেংথোকচবা লাইবিক মচা অসিগী মনমদা ময়েক্রু-
চিংবা অরানবা পুম্নমক প্রজাগী সেবানি
থনবিহ্নবা ঙাকপিগনি হায়না
আশা তৌজে।

দোইরবা

মৈতৈ মাইন

মহু পানবা মখল মখাগী জীবশিংনা চিকত্না অমাবা কঙ্-।দোবদগী কমনবা মতেং ওইহৌনবগীদমক হিদাকনচিংবা শেমহ্না লেজরে। অকনবা মহুশিংবু হাৎননবা লাইয়েং হিদাকী মরমদা ঃশল কম্না চংনিংঙাই ওইবনা হিদাকশিং অসি পুথোকপা ওমনবা হোৎনজবদা থিক্লবদা মানা ফংবা পোৎলম কম্না য়াওবনা মরম পুমমক্তা অমাবা পোৎলুম ওইনা থোক্লি। হৌজিক প্রজাগী অহানবদা মহু কাবনা হেক শোকপগা কনহৌনবগীদমক হুগী মৈচাক হাৎনবা হিদাক থমজরে।

হুগী লাইয়েং মরমদা চংগদবা রাৎপা য়াদ্রবা মশিন ।

১। অহাম্বদা অকনবা মহুশিংবু হাৎনবা হিদাক।

২। হবু থনুংদা চংহন্দনবা হিদাক।

৩। হুনা হকচাংগী ঈ হাৎতুনা ঈশিং ওনখিদনবা।

৪। হু চাইথোকহন্দনবা হিদাক।

৫। হু চুপথোক-চিংথোকনবা হিদাক।

৬। হুনা হাৎলম্বা ঈ নৌনা হাপনবা হিদাক।

৭। হু তুমখিনবা হিদাক গুলি।

৮। মতুং কবিগুম্বা য়াথুন্দা পৎপা পুম্বগী থিংনবা হিদাক।

৯। হুনা কোক্তা হায়গৎনা ওথোক-হন্দোক্কদবা থিংহৌনবা গুলি।

১০। অতোপ্পা লাইনা লাইথেৎনচিংবা হৌরক্লগা থিংনবা গুলি।

হিদাকশিং অসিনি।

নারিবা লাইনাগী লাইরোংগা চাম্নবগী মরমদা অতুপ্পা মরোল অনা লাইয়েংশংদা থংবিরনবা নিংশিংজরি।